অফোঙবা—
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ
ইম্ফাল।



অহানবা খুৎনম্
কোপী—১০০০, নভেম্বর ১৯৬৭ ইং

নম্ফম :—
জে, এম, প্রিন্টিং রার্ক্স
মোইরাংখোম জন্মস্থান,
ইম্ফাল।

ৱাহয় অমনিদং

"খাহিঙম্বা" হায়বা লাইরিক অসি ইংশোক ১৮২৫দা ক্সম্বাল তোংখিবা মণিপুরগী মমিং চৎলবা নিংথৌ মহারাজ গম্ভীরসিংহনা ব্রিটিশপু তেংবাংবীদুনা লানহৌরকপা খাসিয়াশিংবু ঙমখিবগী ৱারীনি। ইবনা মজাইবুংঙো মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা হাক্তক্তা ইবনি। ইতিহাসগী ওইবা থোদোকনি। অদুবু খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তুন্না অশৈবশিংগী কল্পনাগী নীংথিজবা শরুক কয়াস্তু য়াওশিন্নমগনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। অসিনা সাহিত্যগী ফজবা অমস্তুং অচুম্বস্তু থেংনগনি।

লাইরিক অসি শৈরেং ওইনা পদ নাইনা ইরম্বা নত্তে। অদুবু ৱাহয়গী লেংশিল্লকপা মওং অসিনা পদ্যগী মশক তাই হায়বসিদি অপাবনা খঙগনি। অসিমক্না শ্রীচন্দ্রসিংহনা চপচানা শৈরেং ওইনা পুথোকপদা লাইরিকী ফজবা হেঙ্গৎহল্লে হায়জনীংই।

মৈতৈনা খাসিশিংবু কমদোনা "খাহি" কৌরিবনো হায়বসি থিনিংঙাই ওই আসামী উচ্চারণদা "খ" বু "হ" গী উচ্চারণ মান্না তৌই। অদুবু খাসিশিংবুদি "খাছি" হায়দুনা চপচানা "ছ" গী উচ্চারণ তৌই—খাহি হায়দে। থায়নগী মণিপুরীশিংনা কমদোনা "খাহি" কৌরম্বনো হায়বসি খঙজিনবদা নুংঙাইগনি।

লাইরিক অসিবু অমুক্ত নীংথিজনা পদ্যগী শক্তমদা ছন্দ নাইনা পুথোকপীরকপগী মণিপুরগী তাঙলবা পণ্ডিত শ্রীচন্দ্রসিংহ, সাহিত্য ভূষণবু ধন্যবাদ তৌজরি।

জেনরেল্ সেক্রেটরী

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

তাং ১৩।১০।৬৭ ইং

রাহৌদোক্

খাহিঙম্ব অসি শ্রীপঞ্চযুক্ত চন্দ্রকীর্তি সিংহ মহারাজ সনা হাক্থক্ত শ্রীযুক্ত বিপুজিৎ সিংহ রাজ মন্ত্রীন মপা ইবুংঙো শ্রীযুক্ত গম্ভীরসিংহ মহারাজন খাসিদা হৈয়ত্তিয়া ঙমখিবগি রানী তদ্ কাউদনব মনাই শ্রীচিঙঙাখম চাউবাঙান্ সিংহবু ইহল্লমবনি। লাইরিক্ অসিগি অহৌবদ রাহৌদোক্ ওইন মথাগি মস্তুমন ইরি।

"লাইবেল্ মৈত্তেওঙ নাউচিঙ্লেল্ নোংত্রেনখোম্ব চিঙ্খুং থরাক্লৈ থবা নোত্রেন্ অহেব নোথৌবেল্ রায়র শাদ নোংদা লৈরাই শুংদে খোই, লোখোক্ হামলমবীচা, হামুন্ চাব লেপ্‌নৈববু চাম তোদাওবদি মচেঙ্ হলরাইবোই, কচেং চাম ফাদ খোইজেং চাম তানদরিবদি মরাল্ ওস্তেরোই তেন্শিংব চেক্কুম্ব, ছয়েল্ লান্দা নোংদ পোম্বী গরুড় চেক্নিংথৌ তুবি হীকোক্পা, লাইরেল্ ফিফৌব চামবু চাক্য়েন্নব চেক্কুমব, পাম্ব কৈশিঙ্নেল্, লাংগোই শায়াম্ উন থিংলৌ থবোন্পু য়াওবও শায়াম্ কাববু মশিঙ্ খিঙমদব, লাইরেল্ পাঙ্গল্ নীপা থোক্পা শুণ মতিক্ অরুব, য়াইফ মিংচৎ থোইবগি নিংথৌ মমাম্ব সনা চোঙ্লেল্ খান্ব পুন্নমন শোংকিনব, লৌইরী লমরাং ঙম্ব, ছয়েল্ কোকদং কাবগি লাইরেল্ সনা মহাক্থক্ত লাইরেল্ মপারি রাজমন্ত্রী রিপুজিৎ সিংহ পায়ম লিন্দাংশোং লবাই হাকুরোন্ঙম্ মরীচং, হাবাংশাংঙম্ মতা লান্নন নদু মীপুক্লুংগি রাজম্ অপা থঙ্‌রু কোলোয়ঙ্ মীয়াথং য়াথং মীপাউমেন্নবু। চৈজা কীবু ওক্ন্নম্ কোঙলোম্ পোউগুম্ ঙম্বা থারম্ তাঙন থঙব লৌশিং লাইজ ইরেন্নদবা লিরাই। লৌশিং মখোক্লকপন "লাইরেল্

তাম্থোঙ্ চিঙাখম্ চা লাংজেং মথোক্লকপ নঙবু লাউ-ও। ঈয়ু লাইরেল্ মৈতেঙঙ্ তুবি চিঙ্লেল্ নোংম্রেন্ খোমুব লাইরেল্ চিঙ্খরঙ নোংলোল্ পাইগুম্বগি তুবি থয়াঙ্ মথৌমাল্ চুঙ্শেল্ মবাল্ ওন্ খাহি খুনুঙম্ শৈবু শৈশেম্ও। তেংথা শৈশক্ খুদিঙ্দ তযুম্ ঈবিঙাগি ভক্তি ঈথৌখনবু ওইজসে।" অসুম্ পাওমেন্-খোন্গি লোইয়ম্ নোংয়ায়্-নহা কবি জয়্রাম অতোন্ পুখ্রম্ব পণ্ডিত মকোই পাউনিঙ্শিংবগি সেবক্ মপারি চাউবতোন্ তান্থোঙ চিঙাখম্চা লৌশিং নাউরা শৈদন্পান্, তিংগোই মালেম্ লাইশম্ হও, পোম্বী চোঙা লোন্দম্ চেক্কুম্ পায়্র শিল্লৈবোম্বন অশৈ তেংথা শৈওঙ লাক্ হেপ্পী নাতৈ থিন শেম্লম্শৈনে মপাবি নাউরা শৈদম্পান্ তাম্থোঙ চিঙাখম্ চা তুলসিংহ লাংজেং মথোক্লকপন কোর্বাক্ মাঙদ থা কাঙ্গ মিতম্ য়েক্ক ফাবৌশৈনে। তুবি মতিক্ থাঙম্দবগি লঙ্জা অয়োবি খৈবিক্পু লাইরেল্ সনা খুয়ারেনন হনন হনন ঙাক্পিঙনে।"

অসুম্ন ইরম্ব অসিন লাইরিক্ অসিগি মরম্দ অইবনচিংব খঙব ঙম্ই। অসিগুম্ব মীতৈ সাহিত্যগি নিঙ্থিব শকতম্ অসী মফম্ খঙ্দন ওাঙ্গন শৈরম্বদগি মীতৈ সাহিত্য মচাক্ থরদসু ওইনব লাইরিক্ অসি ঐখোয়্ন শৈরেং ওইন শেম্দোক্ন সাহিত্য-সেবী ঈচিন্-ঈনাওশিংগি খুৎত কৎচরি। ইতি

শেম্দোক্চব

শ্রীচন্দ্রসিংহ মোইরাংথেম্ চা

তাং ২০।৫।৬১ ইং

"খাহিঙম্বৃ" গম্ভীর মহারাজনি। লাইরিক্ অসী গম্ভীর-সিংহ মহারাজন ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্পনীগি মতেং পাংদুনা খাসিয়া-জয়ন্তিয়া লোইচন্‌খিবগি বারীনি। ইষ্ট-ইণ্ডিয়া কম্পনীন সিলেট-নচিংবা ওমলবদ খাসিয়া জয়ন্তিয়া লওনব তৌরবদ চঙ্‌ব ওম্‌থরদুনা মতম্ অদুগী কম্পনী গবর্ণর ডেভিট স্কটন গম্ভীরসিংহ মহারাজদ লাপ্ নেকচবদগি গম্ভীরসিংহ নরসিংহ অনীন শকাব্দ ১৭৫১ শজিবু ২২ নি পান্‌ব নিংথৌকাবগ সিলেট লেঙ্‌লগ বৃটিশকি লাম্নীগ মীতৈগি লাম্নীগ লম্ থাইনদুনা লাপ্ চঙ্‌নবদ মীতৈন হান্‌ন খুল্ খুংগাইরগ খাসি নিংথৌ কাদুনা সাহেবতা পীখি।

থাজেশেংবদি মীতৈগ খাসিয়াগ মুংঙাইনদব অমদি মীতৈগি মথাক্ত থম্‌দুনা লম্ পাক্‌থোক্লব তৌব লাপ্ নত্তে। ওরা তান্‌থোক্‌প মতম্‌দ বৃটিশক মীতৈগ বানিয়াখিব অদুগি লম্বল্ শিংব ওইন চংপ লান্নি।

শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ

থাহিউমর

অহানবা পলক্ষুপ

হয়াহে খোইমোম্ লাইয়িংথৌ,
চিঙঙ্ সনা চিতেংবোন্,
খোইমোম্ তোংশং মনিক্লেন্,
অরাং নোংফ্ মহুম্নুং,
হুম্লেল্ য়াইবী তোন্নিংথৌ,
চিঙঙ্ থরা ময়ূম্নাক্,
তোংলেল্ ওংথি মকাইফম্,
লাইজ ঈকম্লেন্ অচৌকপ,
থিরেল্ ওন্দে মহুম্নুংগ,
লাব থয়াঙ্ মথৌথোক্না,
লম্হওরকপ লাইরিংথৌ,
তাইবং থরায়্ অপকুম্পুম,
খুজ্জী মিতম কোনওমন,
য়াইবী লীতিমরকপগ.
তীর্থী ওনন্তাউমেল্ অথোইব,

লাইরেন্ ভাঙিগোয়্নহি শামুংবগি,
ভুবি চিন্গোয়্ য়াক্ংকুংদা,
উম্ নিংথৌ ঙোয়্রেন্ব,
ওক্শঙ্ শঙ্লাংচান্ নিঙ্থিব,
খাংবোক্ ঈতাইশঙ্ অহেম্ব,
ভুবি কোক্চাম্ লুচাম্শঙ্দ,
হাকোক্ নাউশোঙ্ ভম্নকপা,
পিথ্রাইবী অশেম্বী,
থোম্ম্রাইবী অশাবী,
মবেল্ চখা খোংজোন্লুন,
কৈরা ভান্দ থোংন পম্,
খজাই লেংওন্ হন্ন চুপ্,
চিল্ সনা থম্বাল্ চিঙ্মোক্,
য়াংলৌ লওচিন্বান্ নিঙ্থি
মপু ম্নিংবু ম্নিংথোন্পুঙ্দ,
ভুবি কোলোয়্ মিংথোংকব
চিঙঙ্ লাইম্নিংথৌগ অনীবু
য়াথং অহান্বদ ননাইন
কাওবী চীগ লুকুন নোন্ন
পুরুম্ খাজ্জংজরবগ
নদাইরেম্ পাহুম শিলুমোয়োম্ব
লৌশিং নাউজা শৈদম্পান্নি

তাঙ্‌জ ঈরৈক্তোন্ অরোম্বম
তম্ফা নঙ্গি নথৌজাল্
য়োর্‌বু শিঙ্জা নরন্কুবু
চিঙশাং থোইরেল্ হীগুম্ থুম্নুম্ থুম্,
তুরেল্ মোংব তুখুল্ ঈগুম্ তত্তন
হিথাং লন্কুবিয় হায়্‌ন
থবাং চাংজৌ চেপ্প লোন্,
মালেম্ লৈদ পকুন লোন্‌ব
হন্‌ন হন্‌ন পুনেম্জয়ে।
নয়োন্ মৈতৈ লৈম,
নোংছুরোন্ খুম্বোংছু
থোংনাং মাইবং লাম্বাবী
ছুয়েল্ কারুবা কাবী
ময়্ নোংছ্ অহানুব
শাবাং নোংফ্ মহম্মুংশি
চিঙঙ্ আইথে য়ায়্‌মব,
সনা ঈধু চিংও কবী,
পুন্নুং লেম্পা শাদন
লম্লেল্ ভামুয়ার পান্বাত্র
ওক্লেল্ মার খুয়ৌলৈ,
লাইরেল্ মাথ খাঙ্গয়েংথৈ
লৈবাং চুম্বুন্ খৌখাংলৈঙম্

খোইন হেন্‌ন হেম্মোইবী,
শেক্‌মাই ঈমায়্ শম্
কোয়্‌রেল্ লম্‌জাউ ঈ,
অঙৌব নিংথৌ তোরান
য়াওয়ও শায়েং কাই,
হৈরেম্ নিংঙোন্ খোংদ
তরা চয়োম্ খোম্‌হান্ মন্‌গি
খাম্‌ল্ অংঙোচা অথৌব,
সনা য়েম্‌পাক্ তুপ্পবু
কাইনা ছন্‌বী ঈকেম্ম,
হৈরেম্ ফেরে চিঙ্
খুঙ্গান্ লাল্ নুম্‌থেল্
চন্ন তাংশোই লান্দ,
চোয়্‌নৌ সনা খোম্‌হান্‌বী,
ঔবা তথেং কাবীগি
পায়্‌ম সনা ঙীন্‌গোয়্‌গি
লিক্কাই সনা খোম্‌মলোন্,
চরৈ ফিজি সাহোংতোন,
ঊনৌ কোম্মে কোনন ছম্‌ওম্ব,
মৈতেংক্ থমলাং অঙোন্‌ব
ময়্ খোইন্‌ম্ লাহানথৌ,
ঊরেল ঊথা নিংথৌবা.

উথা লাংগ ক্লাবসি
খোইমোম্ সনা এমিংলেনবু
মৈনা খাইন মিংখোৎকব,
লাইরেল্ মৈতেঙু গম্ভীরসিংহ,
তুবি চিঙ্লেন্ লোংলেন্ লোম্ব,
কোরও লোং শিঙ্ জঙ্ঙম্ব,
কোন্নি পাখাঙ্ খোংঙম্ব,
তুরি লিক্লাই মি কৌরেল্,
ভেনোং নমবো চাওবুসি
কিয়াং লম্ঙম্ থেংঙম্ব,
নুঙ্খেল্ চামিরওন লৌশাম্ব,
লোংচুপ্ মাইবঙ্ চিঙ্ব্ চিঙ্খুল্ থৌব,
ঐরাবতী নৈদনা হালোক্ ঈবু
থাঙ্লেল্ নাস হাইস
ইংথি শেল্লোই ঈন জেন্শিঙ্ব
লম্লোই কৌব ঐ মক,
চিঙ্লেন্ পম্লাইকম্ব থৌলোংব
লাইরেল্ মৈতেংঙু লোংথৌরেন্
খোংজু রাইরোবুপ নুংখাঙ্
খোংলেল্ তাইবি লাংবাল্,
চেরৈকাইঁ নম্মবক্;
কাইরৈ কাই লম্লখা,

কাক্চিপুর লৈমরোন,
পোইরৈ মনা রোয়কোয়ং,
লাইরেল কোয়োর মঙাঙাই,
শঙাই মুংলাংপাল নিঙথিব,
অতোং লাঙখুংলা শঙমুঙল,
ওকক্ন, লোইজিঙ খুনুঙম লাঙ
মোইত্রি শিংলী থাকন থাব
ছুবি চীকতুম চীরু কমকরাগ,
কোলোয় মেঙন পাওমেনখিরে,
"কমদৌ ইঙাইরোয় অপুম
লাইরেল ঈহীশাং অয়ামব,
লাইরেল কোরও নলোংথোঁ এবু
কেত্র মপুঙরায় থোইথোইবখি
জগন্নাথ মনা মথোঙথাবু
পুরুম শাজংজগে বিঙলিরেগ।
ঈদাইরেম রোম্মসিংহ
লোংবাল লোংজাম্ব নথাক্তি
মংগল (মোগল) শিলোং মপুঙরায়গি
রোথোব মশিঙ তুন পু
বিরেশ হিপোং শোম
চন্দ্রপুর লৈমুঙম,
হান্ন বাইখুঙাম্ও" হান্নব

মৈতেংগু মপাউ ভাকপিরে।
লাইরেন্ কোম্রোম্ খৌশিখোল্গী
রোমা নোংবাল্ লোংজাম্বন
চেঙ্‌জেল্ মরম্ মশিঙ্‌গু,
বিনেশ ঙিম্পোং শেন্,
বরাক্ লাইজ তুখুন্ ইনুন
ব্রাকৈ খোঙ্‌গুইনন্
মরাল্ ওক্লেরক্পবু
তুবি কোলোয় ময়াথংন
লম্থাঙ্গদ থোথানলে।
“নুপী-নহা-ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব
রতন মাপন্‌মস্থ জাওন
থিংডেল্ লাইজ ঈনম্‌খায়
চাংশোই ঈরাউখোল্‌গুমন
পোইরৈ মীনাম্ কপ্ন খাম্বগি
ঈরাল্ খোচং ওম্মরে।
রোশোয় চেঙ্‌জেল্ থম্‌পুরগ
নচেঙ্ হল্লাইরক্‌গু।”
লাইরেল্ কোরও মনোংথোপী
চিঠি খুদোল্ চান্নবু
শাংপাউ ফুঙ্‌রায়দা
লম্ওক্নরকপখি

বিনেশ হিপোংমত্বু
রাজবাড়ী রোয় কোম্ভ্ৰ
রাইথুম্বুরে হাব্রদবরা ;
কম্মানি সাহেব মনাওয়োক্পু
সাহেব অনী ঙাইরোয়্নন
শেন্বী তেথাউ মপুঙ্ রাজ্জ
হয়েল্ লান্‌ছেন্থিবনু
কালাপানি ইরেন্পুঙ্
ইস্তান্‌বনু স্নোঙম্দন
খাহি মথুংথাক্ত নোংমন্রাধু
ওম্ব নাতারবশি
শিলোং নৈকোয় কম্ব
তক্র সাহেব কৌবনু
চেংলৌ শক্উনকরে।
য়োম্বা সিংহ হজ্জবা
কোলোয় মেঙন পাওহংখি,
"হে সাহেব অথৌব-ও,
লক্ষনৌ ময়ুম্ নাক্ত
খাহি থ্রারোঙ্রাপি
নোংমন্নলে হায়রবু
মালং নোংঙম্ রাজম্
নাতাব'সিব্ চুম্বগা ?"

রোমা মপাউ তাবদ
ফিরিঙ্গি মপাউ পীরকৃই,
"হোয়দ, রোমাসিং হঞ্জব-ও,
নঙগি কোলোয় নপাউদো
সত্য অরেপ্প মহাক্নে।
ঐগি চিঠি খুদোন্মবু
কেপ্টেন্ গ্রাণ্ট সাহেবকি
শমু মখুৎবাক্ত পীবিরকউ !
নঙন থুন হলব্রাইখিয়ো।"
অস্তুম্ পাওমেন্খোন্গি
রোমা মরাল্ ওম্ভেরক্লে,
মচেঙ হল্ব্রাইরক্লে।
লাইরেল্ সনা মখোঙ খাদ
কোলোয় মপাউ তম্লরে।
রোমা মপাউ তাবদ
তুবি সনা মখোঙ লেঙন
থৌরৈ ভেম্বাংলুগে হায়ন
পায়ম স্নুংদ নিঙখিয়ে।
ফিরিঙ্গি মেনোল্ মখুদোন্
চিঠি খুদোন্ম অচুবু
সাহেব খুত্ত ফংলবদ
কেপ্টেন গ্রাণ্ট কৌবদো

ঔন্না চিল্‌লম্‌ খাদ ওই,
খাম্রল্‌ ন্নান ভৌদোং ওইবগি
নোংপোক্‌ খোঙ্‌লেল্‌ ফম্বন
পংক্তি মরেল্‌ মশিঙ্‌ খী
ময়েক্‌ মপূম্‌ পান হায়রকই,
"রোমা সিংহ হজ্জব-ও,
চিঙ্গোয়্‌ নপাউ খোন্‌বু চুম্‌মে"।
অসুম্‌ পাউমেন্‌নরবগ
থিংলৌ নিঙ্‌ন তেরকূলে।
রোমা সিংহ লোঙ্‌জাম্বদি
খ্বাঙ্‌ নোংজেং লাউননা,
নোংথি লাইমন্‌ কাঙ্‌বন
চূবা ঙাইজা য়েক্লবগি
মরাল্‌ থোকুম্‌খিরে।
শিলোং মপূঙ্‌য়াইগি ফ্রিংজি
ডেভিড্‌ স্কট সাহেবন
লাইরেল্‌ সনা মখোঙ্‌ খাদ
চিঠি খুদোল্‌ কংন হজ্জংচৈ।
"হে পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ,
স্নরুং নৈকোয়্‌ মপুরেন্‌,
য়োয়্‌ময়ায়্‌ লাইরেল্‌ তাউদন্‌ব,
হুমিং পূজোয়্‌ মহুম্‌হুংগি

খুন্‌কুম্‌ নিংথৌ য়োয়্‌রেন্‌ব,
লিক্লাই থব্লা অহেম্ব,
চোইনৌ সনা শেক্‌পিল্‌ খান্‌ব
লাইরেল্‌ পাজল্‌ নথৌ হক্‌প,
গুণ নতিক্‌ চঙ্‌খোম্ব,
সমুদ্র লাইজ ঈরেন্‌ পুঙ্‌গুম্‌
লাল্‌ফম্‌ য়াইফ থোইবগি
লাইরেল্‌ নিংথৌ নমান্নব,
সনা চোংলেন্‌ খান্‌বশিংন,
নিংথৌ নঙ্‌গি নরোশিং
শগোল্‌শেল্‌ গুরু মান্‌গুম্‌ব,
লোইবী চিঙ্‌বুরোইব,
হেম্বা তম্‌বু থন্‌ববু
লাংলেল্‌ ব্লাপুক্‌ খায়্‌বগুম্‌
ব্লায়েল্‌ থোথা ঙম্‌লিবা
ব্লায়্‌র শাবাউখোল্‌ তাবদ
মালং মখে লাংগুম্‌য়ে।
হুয়েল্‌ লাল্‌লাউখোল্‌ তাবদ
খাক্‌প তেন্‌মৈ শম্‌গুম্‌ব
লাল্‌ফম্‌ন তমথিরক্লব
লৈচিল সেফা উপ্‌কুম্‌ব,
হুয়েল্‌ন খুদোং থীবদ

সোরারেন্গি মপারি
কার্ত্তিক্ সেনাপতিগুম্ব,
তুবি নহী হীন মেঙ্ব
লাইরেল্ নয়াই য়াইন ফব,
ব্রায়্র শাশিং শুন শা-ফাবা
হুয়েল্ লান্শিং শুন লাল্ফাব,
নোংচূপ-নোংপোক কোয়বদ
থারৌ লাইরৌ লাম্নদি,
তুবি হেরা মিংচৎলে।
পোইরৈ থব্রায়্ অপক্মাবু
লোক্লৌ শান লাংগোল্হৈয়ে।
লাইরেল্ থয়াঙ্ নথৌমন্সুঙ্
মালং নোংশিঙ্ কাওগুম্য়ে।
চেংলৌ-শক্পান্থোংসুঙ্
শক্থোং মঙাল্ নাইয়ে।
পূক্নুং লিন্বু ঙান্ন
পাঙল্ মথৌ হেন্লে।
গুণ মতিক্ চঙ্খোন্ব
পোইরৈ নিংথৌরেন্নে হায়ন
সমুদ্র ঈপাল্ কোইব
হিন্দু দেশ পুম্নমন
কোলোয়্ মিংলেল্ চাউন

শোংকিনব নিংথৌরেন্-ও,
লহান্ নোং হয়িঙৈদ,
কালিকা নোংখাঙ্লৈমগি
শয়েঙ্ মতান্বোম্ন ওইখিচিঙ্
খাহি মচিঙ্শাংদ ব্লাঙৱ,
মংগল্ মহি তানদবন
ফ্রিংজি তেখাউ লম্শেঙ্বু
নোংমল্হন্ব য়াম্বগি
তোপ্ মালেম্ লৈবু খোল্
বম্ অল্লাং কোরও লোংবু খোল্
কামান্ নোংমৈ খাঙকেন্ন
খুদোং থিংকাপ্ কুণ্ডল থান
হয়েল্ লান্শোক্নবু
খোয়্ম মমায়্ লৈবিত্রে।
লাইরেল্ পাজল্ নতিকৃউৎ,
খাহি মখৈ কংন খেং
মংগল্ মপুঙ্ তাক্ল পঙ্কেবিরো
ছুবি থয়াঙ্ নথোক্ল্
তাইরঙ্ মায়্ওন্ মৈওম্ব
শঙাইশেল্ শমুন্নবু
ফ্রিংজি সাহেব ঈথোয়্গি
পাথাঙ্ য়ৌরাই শেন্ওম্ রেম্গে

ঈরোয়্ খুয়া শোগুম্ব
চিঙ্খোঙ্ পুখিতাম্বশিংন
য়াম্রা ভুগুপ্ চুংন কিরম্মুনো।"
ডেভিড স্কট মপাউ তাবদ
রায়্র শারাউখোন্বু তাফদ
ছয়েল্ লাল্লাউখোল্ তাফদব
পোইরৈ মৈতৈ নিংখোন
তুবি সনা ময়াখংন
লৈকাই খুন্খোঙ্ মরিমদ
খুন্নক পাউচেল্ শিন্থরে।
পোইরৈ কংলা খিরোল্ খম্
লৈবাক্ লাক্লেপ্ কিশি তাই,
কৈদোম্ তোংদম্ য়াংলিব
অথম্ মীপোকপ অপুম্ব
অথৌ লাংগোন্ব পুরম,
লাংবল্ খোই লাম্তানবশিংন
কাইনৌ মম্শংপান্গ ভিন্বদ
লাইরেল্ পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ,
তুবি চিঙ্লেল্ ন্যোংগ্রেন্ খোম্ব,
তাঙ্জ লিম্না-'খৌগুম্বন
সাহেব মপাউখোল্শিবু,
কোয়াঙ চিঙ্ছুক্ কাপথব

ব্বাঙ্বল্ লেল্ হৈথবগুম্
থৌজাল্ শিম থুংন থৌদোংখি।
"লহান্নোং লাইরেল্ ঈশাবি,
নোংপোক্ ব্বায়রং পাম্হৈব,
থোংনাং ময়াং ঙম্বগি
লাইরেল্ সনা মহাক্থক
ময়ুম্ খাব্রল্ মনিন্ নাইবন
পন্থেংলব নোংগিবু
পোইরৈ পুঙ্খাঙ্ নীকুন কায়
তেংনৌ চিদাই নাইচেম
ব্বাংঙম্ খুদলেপ্ ঙম্ব্রবনু
ঈয়ু তুবি নরল্কুগি
কলিকতা লৈকোয়্ফম,
ইংরেজী রাজ মনিংথৌন
মেগজিং মশিঙ্ খীঙম্দ
নোংমৈ মপুম্ পাঙম্দন
য়োয়্না খুদোল্ পীরক্পগি
নোংপোক্ থোঙ্লেল্ অচৌববু
তেংনৌ উপাক্ থোঙ্খিংবগুম্
ঔব্রা থোঙ্লেল্ খিংলগ
চোয়্নৌ সনা ক্রয়াল্ লাং
চিরেল্ লাংয়েল্থক্ হংবদু

লোইবী চিঙ্‌বুরোইবস্পুঙ্
হেম্বা তম্‌বু থমবস্পুঙ্
ইয়ু নিংথৌ মরোল্ খুদিঙ
রাংগোল্ লোইকারক্তবস্নু
লাইরেল্ সনা ঈহাক্‌থক্ত
রাংগোল্ লোইকারক্‌পনি।
নিংথৌ ইমান্‌নব অয়াম্‌ব
সনা চোংলেল্ থান্‌বশিংন
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ঐবু
তুবি চিঙ্‌লেল্ নোংজ্রেন্ খোম্‌ব
লান্‌ফম্ নীপা মতিক্ থোক্‌প
গুণ মতিক্ চঙ্‌খোন্‌ব
নোংথৌরেন্‌নে নিন্‌নবস্নু
সাহেব মাগী মথৌজান্‌নে।
মীগী অৱা-থৌকাউকরোই।
ক্রিংজি মনিন্ নাইবশিংন
শেম্‌নী কস্তও য়োৎকুম্‌ন
নূংগল্ নঙম্‌লবস্নুঙ্
লাইরেল্ পাজল্ ঈতিক্‌থোক্
থাহি লান্‌দ পঙ্কংলম্‌গে।
উন্‌বী পুক্লিঙ্ অমেঙ্‌বন
রাথং চুম্‌ল শেক্লবজি

খাহি তানদব মথৈ ফং
মংগল্ মনিন্ নাইব মপুঙ্ তাক্
হুয়েল্ লাল্থেংনরবগ
শিংলৌ নিঙ্ন তেরক্সে।"
লাইরেল্ সনা ময়াথং
কোলোয়্ মপাউ তাবদ
তুবি ফম্দৌ মঙাইরোয়্,
লাইরেল্ নিংথৌ মহিশাং,
অরোংচা লাইফম্ থন্ব,
অপাউচা খাবম্ নাক্লৌ শিন্ব,
পাস্ব কৈশক্নরব,
কৈরেল্ তেংথানরব,
তন্ব ফ্রঙ্ লম্ঙম্ তেন্গুম্
লাল্ফম্ মহৈরক্পশিংন
নিংথৌ মখোঙ্খাদ পাওমেন্খি।
"লাইরেল্ কোরও ঈনোংথৌ-ও,
তুবি সনা নখোঙ্ লেঙ্বিনু।
লিক্লাই নশানৌ ঈবুংঙো
পোইরৈ সেনাপতি অকন্ব,
লাল্ফম্ পাস্ব কৈগুম্বন্,
পোইরৈ লান্মী কোন্দায়্ পুন
হুয়েল্ লাল্পাংহল্লুসে।"

অমুম্ পুরুম্জববু
অঙম্ব মব্বা লওদন
মৈতেংঙ্ মপাউ মেল্লকই।
"ঈদাইরেম্ শিনৌ নোংথোম্ব,
মদনানন্দ হুইরেম্ চা,
হেবু পুখ্রন্ ভেংমায়্ লেপ্ল
ঈমাল্ গৌরশ্যাম মাইস্নাম্ চা,
মন্ত্রী রাপী হায়্বগ
হরি সৌগাইজাম্ব চা
অহল্লপ্ শঙ্লেল্ লাক্পা
হরি নিংথৌজাম্ব চা
নহারূপ্ শঙ্লেল্ লাক্প,
সুরেন্দ্রসিংহ কৈশামচা
থাবম্ শঙ্লেল্ লাক্প,
বিনোদ হাওবম্চা মেঞ্জর
লাংজেং মথোক্লক্পগ
অঙম্ব নখোয় 'পুম্বদি
লিক্লাই ঐখি ঈশানৌ
পোইরৈ লেকালক্তি অথোব
লাল্কম্ মতৌকপন
রাংঙম্ শুপ্ন চিংমদি
পোইরৈ নৈথক্ লাক্পন্শু।

অমু ৱাংখৈম্বমচা
খম্বতোন্ চিঙ্‌গুবমচা,
খুরোয়্ গুম্বে খাঙ্‌শব,
মংলেম্বব লোইতোংবম্ চা,
চন্দ্রসিংহ হিজম্ চা,
খেমা সিংহ কৈশাম্ চা,
অমুদোন্‌সিং লৌক্রাকপ,
অতোম্বব অহৈবম্ চা,
অতোনজাউব য়াম্বেম্ চা,
কীর্ত্তি সিংহ কোন্‌শব
বলদেবসিং অথোক্‌প
পাংঙল্ মনিম্ লাইব শঙ্‌গি
তোলেল-সুবোল্ অনিগ
তয়ুম্ নখোয়্ পুম্বমদি
তুবি চিঙ্‌খোঙ্ পু-য়োকপ
লাইরেল্ ঐবু পু-কন্‌ববু
পুক্লিঙ্ লাইরেক্ চন্‌গুলো।
ঈদাইরেম্ খুদোং থিন্‌কাপ্‌লোই,
কম্‌পু লাম্লোয়্ নখোয়দি
লাইরেল্ মৈত্তেংঙু ঐহাক্‌ন
মালং য়েংত লয় লয়অন
থম্‌গোল্ ওয়ন হন্‌হন্‌বিন

অন্না হুয়্‌রাং শোন্‌ফরোই।
ক্ষেত্রি খোয়্‌দোঙ্‌ ক্ষৌরুংব,
মোদোন্‌ ক্ষৌরুংহন্‌ব নঙ্‌গ
চেঙ্‌কোক্‌ ময়োল্‌ মশিঙ্‌ থী
তড়া চেঙ্‌জেল্‌ তাল্‌লুরো।
পাইরৌরেম্‌ অঙৌ-পাম্‌ব,
ধনি লংমাইথেম্ব নঙ্‌সুঙ্‌
নোইন্নু থুম্‌জেল্‌ লাঙ্‌বগ
লেম্‌লৈ ঙাচেল্‌ তম্ববু
অঙম্‌ব নথৌ ওইবিরো।
ডম্বাসিংহ হাওবম্‌চা,
পোৎশঙ্‌ব শঙ্‌লেল্‌ লক্তগি
তেৎনৌ শোজয় হন্‌ব-গু
লাইরেল্‌ য়ায়্‌র লম্‌জেল্‌ ফি,
চরৈ মশিঙ্‌ শুন য়োম্‌ন
শন্না চুম-থোঙ্‌ নম্‌লুরো।
ব্রাহ্মণ শাগৈ-লেন্‌দগি
কৃষ্ণরায়-মীচাক্ত নবিঙঙাদি
তুবি লম্‌দন্‌ফম্‌ খুদিঙ্‌ব
বিষ্ণু সন্না অথোবল্‌
তড়া য়াল্‌হৌজবনু
অন্না হুয়্‌রাং শোম্‌গলো।

তয়ম্ মিমি চিঙঙাখম্চা
তুবি হৈনা ঈতুং ইল্
লাইরেল্ ঈমৈ ব্রায়্বৰু
থাপ্ন থোখন্ফরোইয়ে।"
অসুম্ন থোদোংলবগ
লাইরেল্ পোইরৈ মৈতেংঙ্দি
তুবি শঙ্দিং লাল্লৈ থেম্
পূন্নুং লান্পোৎ মঙাল্ নাই,
শায়েং সনাগি তান্জাউ শি,
সনা নাশি পূঙ্মায়্রেম্,
চূপ্লেল্ নাপ অনী ঙাল্,
মাকৃপরৈ উন্গোয়্ লয়্ন থোং
নোংপোক্ চাক্মিংশেল্ অপাম্বদ
ছায়া মিরেল্ লাক্নদি
চরৈ ফিশেৎ লোম্লবদ
পোইরৈ লান্মী-য়াইদ লাং
থবা তূগুম্ ঙান্হুম্ ঙান্ন
ফরাংজি তুনান্ ফিঙৌ থক্ত,
তুবি খূদোং চেপ্তক্ ফান্
পানা তঙ্গাই হান ফম্লিঙৈ
কোলোয়্ মপাউ মেল্লকুই।
"রোমা সিংহ হঞ্জব

নোংবাল্ লোংজামুব নহাক্কি
হাওমচা নয়োয়্ ভরাগ
অনা হেশোন্ মীকুইগুম্
ছলাই লেংদম্ থক্কা তোং
য়াংলৌ লম্‌দন লৈতন
অৱা গোংথা নাইদন
শোরাপুনশি মপুওয়াযুদ
চিংতোন্, পেম্বর্তন, গ্রাণ্ট, স্কট
সাহেবশিংশী মকমদ
পোইরৈ অথৌ মিচা হেয়
থয়াও্ কোন্দাই য়োনুব
কাইরৈ অকন্ কাওগুমুব,
মচেঙ্ কোইছু মীকুবশিংগ
তুবি ঈরাল্ খৌচংরাবু
কোলোয়্ নপাউ ভমলম্ ও।"
লাইরেল্ কোলোয়্ মকুইন্
রোমা সিংহ লোংজাবদি
শোরা পুনশি লম্‌দম্ য়াংন
য়াংলৌ লমরাং ইনুথরে।
মলাইরেম্ রোমা চংথরে।
পনক খাঙ্গি কৌশিলুলে।
কেয়েল্ মমান্ য়েংহনুন

য়াইফ পুঙজা শন্নহল্লে।
মৈতেংঙু য়াম্লং খুৎথর,
চিদানন্দ ব্রাহ্মণ অমোইব
গরক্ পাম্বি লোন্থহেরন
য়াইফ পুন্নোই লাক্তুন
ক্ষেমেল্ মন্ত্র লেংহন
মহেন্দ্র মতম্ লাক্পবু
মূকম্ হাইমৈ চোন্নশিংন
পাম্ব কৈবু থম্ব লেনবু
লাল্কম্ য়াইফ পোৎশিংম,
খুংশূ খুংলাই য়াই ওইরবু
লাইরেল্ শুমু য়াঙদ থা,
মান্নেম মৈয়াম্ নাম অম্
হয়্রক্ পানা লেংন থা,
শিঙেল্লম্ মৈনম্ মশিঙ্ তা,
ধূপ্ থাডৈমে মঙাল্ নাই
লোইবী কোয়রে হাওয়োইছি
শুমাং তিংথৌ লাছুম্বী
যব লোইমোব্ ক্লোয়ান্ ফাও
অমৃত তাউরিঙ্ নাইবী লোং,
ঘট লাইজ থৈমান্ লোজ,
চিঙঙ্ ঙ্রিফ মুখোঙ্ থাব

থৌনি খাজঙ্জরকগ
মহেন্দ্র ক্ষেন্লেল্ চঙ্বদ
লাইরেল্ পোইরৈ মৈতৈনিংথৌ
তুবি চিঙ্লেল্ নোংঙ্গ্রেন্ খোম্বদি
শ্রীগোবিন্দ সন্যা মখোঙ্ খাদ
ভক্তি কাওবী চিগ লূকন
হন্ন হন্ন পুরুম্লকগ
ময়ু তুবি য়োয়্নোংতা
নোংতা লাইরেল্ পাখংবব্
তুবি তাঙ্জ লুদ-থোং
চিঙঙ্ খোইমোম্ লাইমরুন
লাইরেল্ শমু মাঙ্দ থা,
মদাইরেম্ নিংথৌ পুক্লিঙ্ খঙব,
নীলমণি ইরোম্ চান
লাইরেল্ সনা কাকোক্ খন্
মোদোন্সিং থিংবাইজম্ চান
তুবি সনা খুদোং খল্,
মেলান্দ নামৈরাক্পন
লাইরেল্ সনা শেনাক্খল্,
পার্থ সিংহ চিরোম্ চা
কম্পু হাওশি ভুম্চিংবন
তুবি সনা য়েংথাঙ্ খল্

লোম্নাসিংহ লাইশ্রম্ চা
অহল্লপ্ শেলুংবন
লাইরেল্ সনা ওয়্থাঙ্ খল্,
নবসিং কোঞ্জেংবম্ চান
শিকাব-নোংমৈ মাঙ্দ থা,
অবুংতোন্ য়োয়্রেন্বম্ চান
তুবি টিমেল্ মথূংশূ
লাইশম্ চুম্বল্ শাববু
লাইরেল্ শমু মাঙ্দ থা,
মদাইরেম্ অচোম্চা লুৱাংব,
লাইফম্ লৌশি হঞ্জবা
অরোংব মীশিং শূব
মেঞ্জর হাওশি ঙম্জিংবগ
ব্রাহ্মণ শাগৈলেন্দগি
গুণ হাওশি ঙম্জিংবগ
তুবি ৱায়্র শামাঙ্ চৎ
হুয়েল্ লাল্গি লাল্মাঙ্ থা
যাত্রা খোঙ্শাল্লক্লে।
শন্ফ্ ঙম্বী লাখোঙ্খাগি
নমু পোংবুম্ মরিন
চোইনৌ সনা চোঙ্জেল্ খান্
থাঙ্লেল্ চপ্থাঙ য়ৌরোঙ্ ফাল্,

পেরে শানাই নিঙ্থিন খোং
মোইবুঙ্ অনী খোন্ফাং খোং
দম্বুর ব্বালা পুঙ্ফাং য়্যৈ,
তরেৎ শেন্ফাং মনিল্ নাই
শিঙ্গা খোঙ্গেল্ লাউন খোং
ব্রাহ্মণ লাই ওইনবন
বর য়াথং লল্গু থোই
য়াইফ খোঙ্গেল্ মনিন্নাই
পোইরৈ প্রজা পুম্ব খোন্
হরি মিংলেল্ লাউন শোন্,
লাল্লাউ নোংখাক্ চয়্রোয়্নন
হাওরৈ নোংচুপ্লা পাংবরম্,
লংমাই চুঙ্থোঙ্ লাংথব
মচিঙ্ চিন্বু কৈতূপ্ শম্
তাঙ্জ লিল্লাখোংবু কান্ন চোং,
লাল্লোই খুন্য়ায়্ থায়্ন চৎ,
পোইরৈ ঙাইল্ তক্পগুম্
সোরেক্ য়াংলৌ লম্শাং থন্
মুংবী লম্লাই মঙান্ নাই
লাইরেল্ নোংশা খেরাং থাং
মালং মথি খাহিওম্ন
নম্ তাংথক্ নাইদন

য়াইফ খোঙ্‌শাল্‌খিববু
নহান্নুবী হন্নু-হনবা
ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নমন —
"লাইরেল্‌ তুবি মৈতেংঙ্‌
চিঙ্‌লেল্‌ নোংত্রেন্‌ খোঙ্গগি
ছুয়েল্‌ লাল্‌হৌখোল্‌ অসিদি
মতৌ লাংওল্‌ অমনে।
কোরও নোংলাংপান্‌ অব্রাংব,
শুংনাং কাওখঙ্‌কোম্‌ অতাম্‌বগি
চিঙঙ্‌ নোংখৌ সোরারেন্‌ন
মালেন্‌ তম্পাক্‌ লৈতাবগি
মতৌ পাংখক্‌ ওইখরে।"
—অমুম্‌ হায়্‌ন ঙাঙ্‌নখি।
চেংলৌ মিৎকোয়্‌ চিংন রেং
কাগুপ্‌ মায়্‌কং পরেং শা,
য়ারা খোঙ্গেল্‌ হীক্‌হায়্‌নন
'লাইরেল্‌ কোরও ঈনোংখৌ-ও,
লাল্‌কম্‌ য়াইফরক্‌উনে"
অমুম্‌ লাউন পুক্নম্‌হৌয়ে।
লাইরেল্‌ পোইরৈ নিংখৌমু
খয়োয়্‌রোল্‌ ঙাহুখুম্বীন
'পারি শেন্‌ব মীয়াববু

নুরা শমু নম্‌দ পোন
লাইজ ঈরাল্‌ খোংমরিল্‌
লম্‌লেল্‌ রায়্‌শেল্‌ পুলৈপাল্‌
ঙাঙ্‌জ চয়্‌হুল্‌লম্বু য়ৌবদ
লিক্লাই মশানৌ মুংজান্‌ব
নরসিংহ সেনাপতি
লৈবূঙ্‌ চারাখোক্‌ম্‌ নানৌবন
লাইরেল্‌ মশাবি নিংথৌরেল্‌
তুবি সনা মখোঙ্‌খাদ
মিংকোয়্‌ লাইজ ঈকম্‌ তাউ,
প্রেম্‌ লাইজ ঈচেন্‌নন
মালেম্‌ লৈমায়্‌' হাইহৎতু
তিম্থ্রোক্‌ য়াংদৌ চোংবগুম্‌
মিকপ্‌লওব অদূদি
সনা অযোধ্যা লৈবাক্ত
চীঙঙ্‌ শ্রীরামচন্দ্র নিংথৌন
পম্থৌ য়াথং ঙাক্‌পগি
লাংহৈ কুম্‌শিং তরামম্বিবু
খোইম্‌ নারেনম্মুংদ লৈ
উকুশেং জটা পুহুন
যোগি লম্‌চঙ্‌ঙগে হায়্‌বগি
অযোধ্যা সনা য়োয়্‌কোম্মুংগি

মরাল্ খোঁচং খোক্ৰকৃতৈদ
’শানৌ লাংজেং মথোক্লক্প
ভরথ শক্রম্ন অনীন
মালেম্ নৈদ ওম্ন খোইন
মীকপ্হৌব অদুবু
লৈরাং মতৌ মান্ওম্নে।
পোইরৈ মালেম্ লৈবাক্ কোইব,
থয়াঙ্ কোন্দাইরোন্বশিংন
নরসিং মতৌ য়েংলগ
অনী ফংলে চিল্লোকুন
অহুম্ ফংলে মায়্য়োকুন
লাইরেল্ মচি মনাওগি
চান্ন মতৌবু হায়্নখি,
“চীঙজু নোংদম্খোন্ ওম্নোকুয়ে।
লাইরেল্ মচি মনাওগি
চান্ন মতৌ অসিদি
তাউজিঙ্ হয়্রাংচান্ মৈচঙ্ব
থা ফাইবোক্ হয়্ওম্ খায়্ওম্দ,
পুক্নুং নাউরা হুয়্-ওম্নোক্
ওম্পোং লকোম্ন কাইবোকুম
চান্ন খুংপায়্ থাওমুল।
থম্মোই লংওং মরী তা

লিক্লাং পুম্ভারিকুম্'সিদি
সনা অযোধ্যা নৈবাকৃকি
রামলক্ষন মচিন্ মনাওন
সুংশি শমন্ লীরেংনন
খোঝল্ পাংশোই নাইদব
অদুগুম্বব্ মওইরে।"
রারম্ অসি হায়রগ
লাইরেল্ মহীশাং অপুম্ব,
থিংঙেল্ লাইজ ঈনম্খায়্
চাংশোয়্ ঈরাউ খোন্গুম্
য়াম্বা খোঙ্গেন্ থোক্ল কয়রে।
লাইরেল্ তুবি মৈতেংঙ্
চিঙ্লেল্ নোংক্রেন্ খোমব,
চিঙ্খরঙ্ নোংলোন্ পাইগুবদি
কেপ্টেন্ গ্রান্ট কৌব সাহেবক
য়াংলৌ খোঙ্বু ভাইরোয়্ন
নোংখিল্ অবা পোৎখাদ,
অহিং কায়েঙ্ নোংকাইদন,
লোইয়া তম্লোন্ [illegible]ইন্,
নুঙ্বী য়াশৌ [illegible]নেৎন,
নোংচুপ্ চিঙ্[illegible] মাপল্লান্,
ঈরোক্ লাইচম্ কানুন চোং,

চিঙ্লেম্ নাপোম্ কৈদ্রূপ্ শম্,
খোংনাং য়াংদৌ লম্দাং শিংন
ময়াং পাংখি কান্ন চোং
বরাক্ লাইজ তৃখুল্ ইল্,
খোংলেল্ ঈরম্ পুম্ন হুপ্,
রাক্রৈ খোঙ্বু ওইত্নন
তোংজেং পালোইনহুন
লাল্কম্ খোঙ্শান্খিবু
লহাল্নোং হয়িচকৃত
য়োয়্বু খোইমোম্ লাইরেম্ব
কালিকা নোংথাঙ্ লৈমখি
শম্ মখুৎফাং মঙাবু
কোরও থকৃকি লংথরাই,
খোইয়ম্ মৈরি তোম্শাৎপ
মালং নোংশিং হুম্মোইব,
খোইমোম্ লাইয়িংথোন
ভওরেল্ খাঙ্দ পুম্ন থোং
লাইরেল্ মপা মীকোনন
কোলোয়্ মপাউ চাইন মীকৃপ্লম্
মোংবিজাম্ব শগোল্ শঙ্,
অতোন্ য়ারা শজিক্লোয়্
হুপ্না তোন্প কান্বন

ঘাটি হিদেল্লেম্পি হল্লাইফম্
শান্তিদাস অথোইব
বৈষ্ণব বৈরাগ্য পাওকৌফম্
মংগল শিলোং মপূঙ্য়ায়্গি
লাইরেল্ কোল্লোয়্ মশঙ্গাই
শঙ্গাই মুংলাংপাল্ মুংঙাইবদ
পোইরৈ পুম্ব মরাঙ্ হও
খ্রাংঙম্ মনিন্ নাইন খ্রাইথুংলে।
মদাইরেম্ কৃষ্ণচন্দ্র উসম্চা
শামুনোংছ্ থুম্বোং চা
তড়েং শেল্লুংহন্‌ব অনীন
লাইরেল্ সনা থৌগল তৌন
ফায়েং নোংফাইন পোংথাখে।

অনিশুবা পন্‌দুপ্‌

অহান্‌নোং তুবি মাঙ্‌দ থান
মরাল্‌ থৌচংখিবব
রোমা সিংহ হঞ্জব
লোয়ম্‌ নোংবাল্‌ লোৎজম্‌চাদ্রি
শোয়রা পুন্‌শি মপুঙ্‌য়ায়্‌গি
স্কট্‌ সাহেবকি মফম্‌দ্‌
মৈতেংঙ্‌ কোলোয়্‌ মপাউবু
চিঠি খুদোল পীন পাউতম্‌লে।
"হে ফ্রিংজি সাহেব অথোব,
মণিপুর লৈবাক্‌ লৈমাব
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল্‌
তুবি চিঙ্‌লেল্‌ নোংজেন্‌খোম্‌ব
কোরও নোংইন্‌ চেক্‌ম্‌বদি
পোইরৈ লালুক্‌লোই মপুঙ্‌ফাব
তেঙ্গোল্‌মবু ঙাইরোয়্‌নন,
য়াইফ থোঙ্‌বু শাকুলে।"
রোমা মপাউ তাবদ
সাহেব পুক্লিঙ্‌ হুরাউদ্রথোই
হুংঙাই মরাং মথোই কান
রোমা মশক শংন য়েং

কোলোম্, মেন্ড,ম পাউমেন্থি।
"রোমাঙ্গিংহ মঙ্কু্বু ভাও ;
নোংপোক্ শেল্লু কম্ব
পোইরে মৈতৈ নিংথৌরেনগি
তুবি সনা মথৌজাল্,
লাইরেল্ মরল্কু অসিবু
কম্পানি সাহেব ঐথোয়,ন
অন্না লন্শিং ওম্নরোই।
হে রোমাসিং হঞ্জব-ও,
লাইরেল্ কোরও ননোংথৌবু
মরাল্ খ্রাইথুংলরিভৈনে
থিংলৌ য়াও,ম হল্বাইথিরো।
রাজা সাহেব অথোইব
তুবি চিঙ,লেল্ নোংজ্রেন খোম্বদি
শিলোট মপুঙ,য়াম্,দ ভাইসম্।
হয়েং কোরও নোংখুম্দ
সাহেব ঐসুঙ্ লাক্লগে।"
অস্নুম্ পাউমেন্নরগ
রোমাসিং লোংজম্চাদি
মংথিল্ অবা পোংথাম্ব
অহিং কায়েঙ্ নোংকাইদন
য়াও,ন হল্নাইরকপবু

শিলোং কোনুং মুংলাংচান্‌
পোইরৈ তেঙ্গোল্‌ অচৌবদ
তাংলৌ থেঙ্‌ন রাইথুংলুরে।
লাইরেল্‌ সনা মথোঙ্‌ খাদ
খুবাং চাংজৌ চেপ্ল লোন্‌
মালেম্‌ লৈদ পল্ল তু
সাহেব মপাউ তম্‌জরে।
সাহেব মপাউ তাবদ
হরাউ মথোই তোংবন
লাইরেল্‌ তড়া মচা খাক্‌পু
য়োমা মাবু ফংহন্‌খি !
ফিরিংগি ফট সাহেবসুঙ্‌
কোরও নোংখুম্‌ অমদ
য়োয়্‌ময়ায়্‌ লাইরেল্‌ তাউদনুব
হুমিং থোঙ্‌লেল্‌ থিংশুব
অহিং তাংলৌ অথেঙ্‌বদা
পোইরৈ তেঙ্গোল্দ থুংলরে।
ইমুং নেংপোক্‌ শোয়্‌মায়্‌ হাং
লৈমুরাব মশোং চাউ
লৈহৌলাব মঙাল্‌ য়াইন
তাউদনুব কেনকা য়াইবু
হুমিং কেন্‌কারক্‌লবরু ;

মৈতেংঙ্ গম্ভীরসিংহণ
দরবার রাজানকম্দ
চেংলৌ শকৃউনররে।
মংগল্ খাহি মথুবাক্ত
সিফাই মশিঙ্ থীওম্দ
তন্ব মীপূম্ পাঙম্দন
য়াইবী থরায়্ মাঙ্খি ব্রাবু
চিন্গোয়্ মপাউ জমজরে।
স্কট্ কোলোয়্ ভারবদ
তুবি থিংকৌ সিঙ্ন ভেন
শঙ্গাই তান্ন হন্ব্রাইরক্লে।
তুবি চিঙলেন্ নোংজ্রেন্ খোম্বন
মদাইরেম্ খাহি মবম্বু
খাহি লোন্তিরবশিংবু
রাইবার পাউথোন্ শীথরে।
লাইরেল্ কোলোয়্ ময়াথং
“ফিরংজি লান্থীনফরোই
শেন্বী ভেখাউ লৈবাক্কি
য়াংলৌ লম্দাংশাং ফুন্ফরোই”
অস্তুম্ থৌথাম্-য়া তাকদৌ
মংগল্ খাহি মনিংথৌ
কমলা হয়্মিংনব

জৌরবসিংহ অথৌবন
কোলোয়্ মপাউ মেল্লকই।
"পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল্
সনা চোঙ্দোন্ লেন্ঙুম্বগি
কোলোয়্ মপাউ করিব্রানো?
খাহি খুঙ্গঙ্ তরা মাপন্দি
লাইরেন্ মাগী পাকচা মা
তুবি মাগি মহীথাক্সে।
ঈয়্ খোইমোম্ লাইনিংথৌ
লাইরেল্ তীল্লী লিন্দাওরেল্
তুবি লাইরেল্ তাউরোয়্নাইগি
তুবি য়ারি খায়াংন্নুংগি
খাইথরক্প ঈ মশেন্নে।
ফ্রিংজি সাহেব ষেরু ব্রা,
কম্পানি লাল্ শোরু-ব্রাধু
পোইরৈ মৈতৈ খাম্করোই।
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মহাক্সু
খাহি ঐগী ইশাইকোন্দ
কাফরোই হায়্ন পাউতম্লু।"
খাহি মনিংথৌ মপাউখোল্বু
খাহি মরুম্বু মরাইরেম্ম
লাইরেল্ সনা মখোঙ্থাদ

তম্ন পাউতমজ্ঞখরে।
লম্বু মুপ্লাউ তাবদ
লাইরেল্ শ্লয়েঙ্ পানুবু-ত্তিং
থাঙ্লেল্ খুদুম্ চেৎন পায়
তুবি নোংশা মথি নাই
তম্য়া ক্ষেন্দো মঙান্ হও,
মালংন মখে ল্যাংবগুম্
পোইরৈ লান্মী পুম্ন খোন্
সোরোক্ য়াংলো লম্শাং থন্
মালেম্ খৌরৈ লৈচেল্ লোয়্গুম্
য়াংঙুম্ ত্তাংথংনাইদন
তওরাং ফকচা কোন্বগুম্
থাহি য়াংলো লম্শাং ইন্
পূক্ শলংই বকম্বা লানখে।
নহাল্ নোং হুয়িঙৈশি
থাঙ্য়ি খোঙ্জোংব মপাত্রি,
চিঙ্মিং থোংবু চুনব,
চিঙ্জেং নারন্ প্যানব,
থংজি লাই, তরেৎ জন্মন,
চিঙও খোইয়ম, লাইনিংথৌ
তাংজ লিলা, ওঙ্গোইবা
কাংগ শিজেঙলা ঠাওইবা

মহাদেব মকাইকপ্পি
শঙ্গোম্ লাইজ ঈথকে হায়্ম
মংগল্ খাহি মচিঙ্ শাংবু
ইন্তাল্লক্প মতম্দ
খাহি মনিল্ লাইবম
অকি লাইখংমরবগি
থোংনাং মীহিংচা ওইন থন্
ময়াং মীহু মীহিংচা,
য়াইকাপ্প ওইন থজিক্পন
খাহি থুনৌ মপুঙ্ য়ায়্দ
থৌহু নুঙ্ন ননুন থম্
মালেম্ লৈখাদ ফুম্ববু
থৌহু চিঙ্গুম্ পৈববু
শমু খুৎন থাংদোক্লে।
চিঙ্লেল্ কৈন চোংহুন
নাপোম্ রাংব লাক্লগ
শঙ্গোম্ লাইজ ঈরোক্লুক
ঈক্ল শাস্তেং থোক্লগ
খাহি রেংন পাওমেন্খি।
"হে খাহি খুনৌ তোংব-ও,
ঐদি থোংজ্রোংব মপারি
চিঙ্জেং নারল্ পাজন্থনে।

থাঙ্‌য়ি থোংজোংব মপ্যারি
চিঙ্‌জেং নারল্‌ পাজন্‌বগি
কোলোয় মপ্যাউ তাবদ
মংগল্‌ খুনৌ তোংবন
মপৈ মপৈ ভাঙ্‌বখি।
"মহু লাইহিংচায়া নিংঙ্‌ববু
থাহি ঈপাচা মহাকুলে,
পোইরৈ ঈয়েল্‌ লূচানে।"
অসুম্‌ খোন্‌ন নোংগিবু
শোয়া পুনশি-ও কৌনয়ে।
শমু তুংদ লৈহৃন
পরৈ লাগ শান পুন্‌
থৌদু নুঙ্‌ন নল্‌লম্ববু
ইহুং শোইয়ায়্‌ মব্বু
চিঙ্‌খু হুৎন্‌ চোংথোকখি,
মোইরাং পুন্‌শি থোয়্‌খি।
থৌদু নুঙ্‌বু খনূগ ওন্‌
তড়া চাংকোৎ চিংনকম্‌
থোংনাং য়োৎদু য়োয়ারুদ
তেৎনৌ য়োৎমি কৌনদি
মেলাং থাঙ্‌শাব থাঙ্‌আয়বাই
থংজি পাইদু কুমরন

থৌদ্‌ নুঙ্‌বু পুনদি
থোংশা ব্লাইব্‌ কানন চোং
সেনগোম্‌ ক্লোব মচিঙ্‌শাং
শোক্ল পুনশি মচিঙ্‌লেন্দ
পোইরৈ ভেঙ্গোল্‌ ময়াভ্‌ হুও
রাংওম্‌ মনিল্‌ নাইন ব্রাইথুংলে
মৈভেংঙ্‌ সনা ময়াথং
পোইরৈ লান্‌থোঙ্‌ শিন্‌থরে।
"ঈদাইরেম্‌ অচোম্‌চা লুরাংব
লাইকম্‌ শঙ্‌লেল্‌ হজব
মেজর লাংজেং মথোক্লকপগ
ব্রাহ্মণ শাগৈলক্তগি
গুণ কম্মু গুম্‌চিংর নঙ্‌গ
পাথৌ নক্তিঙা অনীদি
পোইরৈ ভেঙ্গোল্‌ কোঙ্গায়্‌পু
লম্‌লেল্‌ খাহি মচিঙ্‌শাং
চিঙঙ্‌ অচিব লাইয়িংথৌ
ব্রহ্মদেব থোইথোইব
কাওরেল্‌ ভন্‌ব খুনুংনব
চিমেন্দ্র সুপাল্‌ লোঙ্‌বব
খুংশূনব লাইয়িংথোগি
খুভম্‌ মকাইকমক্র প্লোন

থাহি চিঙ্‌শাঙ্‌ খোক্‌লোয়্‌ হও,
শাইবু খোংবৈ পন্‌রৈ খা
কোঙ্‌য়াঙ্‌ য়াপুক্‌ থায়্‌তন্‌ পজেংও।
মরাল্‌ থুবী বৈথাঙ্‌জন
বৈথ্‌ জোংলোল কাব্রিকাও
নরাদ্‌ ওজ্ঞেয়কবুলো।
চিংতোন্‌, পেম্‌বর্টন্‌ গ্রান্ট
স্কট কৌব সাহেব নথোয়্রবি
কম্পানি সিকাই ওইরোম্‌ও
হাওরৈ নহিন পাংথক্‌লি
থাহি নজাম্‌ তুম্‌লৌ পোক্‌
য়াংগেন্‌ পোইবাখোক্‌ কায় চোং
মংগল্‌ চিঙ্‌শাং নাকলীক্‌
থুলৌ মপুঙ্‌ তায় পজেং-ও।
থাহি মথৈ কংলন
মংগল্‌ মপুঙ্‌ তাক্‌তনি
মচেঙ্‌ হন্‌থাইহকুলো।
লাইমেল্‌ ঐবি থাহি থনিন্‌·নাই
মংগল্‌ তানাবধু
কমলা হয়্‌য়াঙ্‌ হয়্‌থোঙ্‌খা
খোইম পুংকাইরুন্‌ শৌন
পজেনবিন মথেনি

তুবি ঈচেঙ্ হন্‌বাইরোই
লাইরেল্ ঈরাল্ ওথেরোই।”
অসুম্ লাম্যোক্ শিল্লরগ
লাইরেল্ তুবী চৈথোক্
চিঙ্‌লেল্ ক্রোংরোক্ শোক্‌চুরি
লাল্‌পোং চরে মজাল্ নাই,
চিঙঙ্ নোংগ্রো লোরাকুল্‌গম্
তুবি লাংগোই মথুরোক
তোইবী লাংখুথোক্ম জুর
তন্‌গাংজম্ নিংথোল্ল ওইবি শুমা,
লাংগোই কুলাং মদম তোং
মনাই পার্থ জিরোম্ চান
তুবি মনা রেথাঙ্ থল্,
রোমাসিং লাইখম্ তান
লাইরেল্ মচা ওয়্‌গাঙ্ থল্,
অমুক্তিহ বাথেংবম্ চাব
কান্তি লাংগোই পুরেল্ য়াম্
নাহয্ খোঙ্‌জিল্ জোম্‌নে কাও,
পোইরৈ পুথা মলাঙ্ হুও,
তমুন্ ন্যাইক খনি শাই,
মোইথুঙ্ কিপাব্ তোহন থোং,
পেরে মানাই বিপুন এগার

নাল্লা থোপ্থি মনিল্ নাই
ডম্বুর রাংলেন্ মরাক্তা হও,
হরি মিংলেল্, চয়্রোয়্ন
লাইরেল্ মাপি অাল্চঙ্থোক্
থাহি চিঙ্শাং মুক্সায়াগুম্
মালেম্ লৈরু মীক্নর্দি
লেম্লৈ তাইন্ তক্পগুম্
পোইরৈ লান্ তক্শিল্লবগি
মদাইরেম্ পূর্ণানন্দ
লেম্থোক্ লৈশাংথেম্ চা
কম্পু হাওশি অজ্চিংবা
মীচাউসিংহ চিরোম্বা
লাংজেং মথোক্কপগ:
অথৌ লাংগোল্বু অনৌদি
কামার নোংমৈ থাঙ্কেক্ন
লংহুম খোঙ্গ্লেল্ মনিল্ নাই,
খুজোং থিংকাপ্ তোয়্ন কাপ,
হুম্লেল্ লাজ্চঙ্নখিরে।
থাহি মনিল্ নাইবসুঙ্
কামার পঞ্জাল চান শেংদ্
খুদোং নিংশাব্ পানদল্ হেক্,
লংহুম্ লোয়েল্ টাউন পা

জজেং শেন্ফাং মনিন্ নাই
রাংলেন্ পুঙ্জাউ পুঙ্কাং রৈ,
থাঙ্লেন্ মশেন্ খেরাং থাং,
চিমেন্ টাতোন্ ভানোয়্ চোং,
পোইরৈ তক্থোক্-তক্শিনুন,
কোরও খোক্লেন্ মথিনাই
রাংবল্ নোংলাউ খোমতন
নোংমৈ খোক্লেন্ মৈরিথোক্
লাল্শোক্ মায়োক্নবগি
মৈথু নোংলোন্ কাবন
কোরও নোজথোঙ্ ফিংখয়ে।
লাল্কম্ মৈথু সিকাউপ্‌ন
শমু মায়্ওন্নজবদ
মদাইরেম্ অচোম্চা নুরাংবগ
গুপ ব্রাক্কন অথোইব
তনব অথম্ মীপোকপ
অথৌ নায়োনব অনীন
পজেং খোম্বা, কিয়াল্ খেং,
শয়েঙ্ তান্চাউ য়াইশিঙ্ ত,
চক্থাঙ্ য়ায়্ তানবশিংবু
তনব উনবী কজক হও,
শয়েং পানবু কব ফিং

য়ারেল্ খোংজি ক্রক্ ক্রক্ চিং,
লংদুম্ মানুবী খোঁজেন্ চাউ,
বেংগুর খোঁজেন্ মনিন্ নাহিং;
খুবোং খিন্কাপ্ কুণ্ডম খা,
লাল্শোক্ মঁখে ফংনাই
হরি মিংনেল্ লাউন শোন্
পোইয়ে ভেজোন্ লাল্লাউ খোল্
শারেল্ বোংশো লান্লাউগুম্
লাল্কম্ মিঙর্দ খঙরকুবে।
সাহেব মনিন্ মাইকমুঙ্
লাল্কম্ ঈকো মখেলাং,
কম্পানি সিকাই মরাঙ্ইঙ,
লাল্শোক্ মনিঙ্ তোঙুন
তোপ্ মাকোন্ নৈবু খোন্
কামার নোংখৈ খাঙ্কেরন
খাহি য়াংলো লমবাং ইন
দুর্গামাই খোজেন্ নোংজোম্কা
মায়কৈ অহম্ খাংচপ্মন
খাহি ভেজোন্ অচৌবর্
খোঙ্জি নাউে জোন্বণ্ডম্
খিংলো ভুগুম্ শমিজিন্লো
লাব পন্কোয়্রবাপ

খাহি তেঙ্গোল্ মরাঙ্ হও
মংগল্ চিঙ্শাং মখিল্ মাই
তোমাল্ পুঙ্কাউ মরাঙ্ হও
পোইরৈ তেঙ্গোল্ তালাক
সাহেব লাম্বী মীশাদন
লাব তক্লৌ শিভং শোল্
লাল্কম্ মমিং কোম্রি কা
কামায় থোংবৈ থাঙ্কেঙ্ব
মংগল তেন্বী থোইপাইজন্
খুদোং শিংকাপ্ কুঙ্ম বা
তেঙ্গোল্ কান্থুপ মারোল্ম
ওক্লেল্ টাশাল্ শাওল্ম
খাহি মযায় লম্থরে।
পোইরৈ মনিল্ নাইবম্
থবা লাল্কেল্ বৈকাশী
শঙাইশেল্ শাক্ তম্ব
বায়্র তেন্থী নোংচুব
চক্মোল্ থাম্বী বৈথাঙ্লৌ
শম্ভু তেকচাক্ বৈদুল
কোয়্রেল্ শীবাউ চাক্পঙ্ল্
লাল্কম্ থাম্বী ঈশা থাং
থোংকেল্ খাম্লোক্ চেঙ্ব

তেজোল্ মমাম্ব্ জয়্নদ
উকায়্ কালং জক্পগুম্
পোইরে গুক্থোক্-তক্শিন্ন
থাহি ইঙ্খোক্-ইন্শিন্নন
ক্রে মাল্লৈ মিতম্ চিংগুম্
হুয়েল্ লানশোক্নবশি
মিশি নোংমৈ মরুন
চিঙ্শাং খোইরেল্ পাইগুম্লে।
মৈখু নোংজোল্ কাবন
কোরও নোংথোঙ্ খিংথরে।
লৈচিল্ লিকা উপ্পগুম্
থাহি তেজোলগ্র কোয়্খে।
থাহি মনিল্ নাইবক্স
হুয়েল্ লাল্শোক্ মখৈ কং,
নীপা পূক্চেল্ মতোল্ লোম্,
লান্কম্ মায়োক্ মানথর
য়োয়্ময়াম্ মালেম্ অঙানবদি
চিঙ্য়া ফেন্তোং বাংথরে।
তম্য়া কোরি চেকক
লাইরেল্ হুদি মৈতেংক
চিঙ্লেল্ নোংক্লেন্ খোঙ্ব
[illegible] চেকসকল

"ঈদাইরেম্ পাম্ব শারাউখোল্,
শারেল্ নোংশা লাভাখোন্
তন্ব পুক্সিঙ্ শোংকাঙ্দব
কমদৌ ঈঙাইরোয়্ নখোয়্বু
ঈয়্ নিংখৌরোল্ খুদিঙ্দ
নাচুঙ্ খোঙ্কৈ ওইরগ
লৈরাই শোয়্য়্ ওইনদি
মালেম্ লৈবাক্ ঙাকৃপশিংগি
মপারি মনোংমাই মশেন্নে।
লাইরেল্ মৈত্তেংঙ্ ঐহাকৃমুঙ্
লাইরেল্ ঈপা মৈত্তেংঙ্
লোইনাই কৌব চিঙ্থংখোম্ব,
ধর্ম্ম নিংখৌ লাই ওইব,
শেকৃপাউ ঙম্ব মপারি
লাল্কম্ কোরও নোংশিঙ্জঙ্ঙম্
ঙম্কদব ঐবু লৈরিয়ে।
খাহি লমহেন্ব অসিবু
মোংব ইন্গোয়্ লাংন কোয়্ন
লেম্লৈ অহকৃপ উপ্পঙম্
য়ান্চেং অহাব কাবঙম্
খাহি মপুঙ্ তাকৃন পন্থংসে।
চিংতোন্-পেম্বর্ত্তন-গ্রাণ্ট-ষ্কট

জেনেরেল্ কর্ণেল্ অপূর্ব,
লালশোক্ কুমৈ য়েংসনু।
ঈদাইরেমশা, নখোয়্বু
রায়্র শাদ তোয়্রব
হুয়েল্ লানদ হকপগি
লোক্লৌ নমখ্ ঈবু কংদ,
হুমাং শেংগোয় ঈ তাকৃত,
পাখং শমখোঙ্ কায়ল্ ঈ,
চুবা শাইজুম্ নাহু ঈবু
তাকৃতবগি রা ওইফরোইয়ে।
কোলোয় মিংলেল্ শিদববু
হয়েং পোইরৈ চাদোনন
নিনহুম্ নিননহৌসনু।
তনব নমায় লয়ফরোই,
য়ামজেং ননম্ মূক্ফরোই।"
লাইরেল্ কোয়ও মনোংখোন
অসুম্ খোদোংলবদ
পোইরৈ অথৌ লিজা হেপ্প
থয়াঙ্ কোন্দাই-য়োনব
তনব কংলা কাওনয়োয়,
অয়োংচা লাইকম থনব,
অপাউচা খাবম্ থনব,

পাম্ব কৈশক্নরব,
কৈরেল্ তেংখানরব,
স্নক্মু শন্পা তাম্লব
কাইরৈ য়েম্বা খোঙ্‌কাওকন্
খোংফেল্ লাল্শোক্ মায়োক্ স্না
কচেং থঙেয়ান্ হক্পবু
পুক্লিঙ্ শোংকি চঙ্দব,
মাম্বী খুমাঙ্ কোক্নদি
লাল্ফম্ মখোক্লক্পশিংন
ওক্লেল্ লাংশম্ খৌগুম্ন
খাহি পন্খোং য়ৌন চঙ্
পোইরৈ তেঙ্গোল্ চায়্নদ
খাহি লান্মী চেন্নদ
থাঙ্লেল্ লাম্য়ান্নরক্লে।
টিমেল্ লুম্থিন্নরবগি
লাইরেল্ তুবি মৈতেংঙু
চিঙ্লেল্ নোংজ্রেন্ খোম্ব
মচি চিরাইব য়ুম্চং লাং
কোরও থক্কি তম্থ লাং
মালেম্ নৈফাও তেন্গুম্বদি
লাল্ফম্ চয়ৈ ফিশি শেম্
পুগুং লাল্পোং মঙাল্ নাই

খাঙ্লেল্ য়াংলৈ মৈরাবধু
লাইরেল্ লাইবক্ খেলাইথোং
গঙা চুঙ্গোয় য়াই ওইব
সনা চাজুম্ পারৈবদ
তম্ফায়াইন হেমোইব চুঙ্বু
শরা তুরৈ ওই ওই শেল্
তুবি চিঙ্লাই লাম্তান,
শঙাইশেল্ শাক্ মতাগুম্
খেরে টাক্সিল মৈরিথোক্
খাঙ্লেল্ মঙাল্ খেরাং থাং
কৈরেল্ পন্মিং থিব শাগুম্
লাংগোই শয়াঙ্ থক্তগি
তুবি মতোম্ মাঙ্দ থা
ফিবুল্ লেপ্তুম্ চোংবগুম্
পন্মাঙ্ য়োন চোংশিন্খে।
মদাইরেম্ তন্ব মীখল্ খায়,
চক্লৈ কাওদি কোইতু য়েল,
শামা কাওদি নোংদম্ য়েল,
য়েন্খোং তম্ব য়েন্গুম্ব
পোইরৈ অথোবা পুম্নম
মতোম্ মতোম্ মপা য়েং
খাহি তেল্লোল্ চবুক্ চঙ্

খাঙ্‌লেল্‌ মশেল্‌ য়াঙ্কেক্‌ন
টিমেল্‌ মশেল্‌ থিন্‌থেক্‌ন্‌
চুঙ্‌লোং মপাল্‌ য়ান্‌ফাংন
পোইরৈ লাম্মী চায়্‌নদ
খাহি তেঙ্গোল্‌ চেন্নদিন
লাল্‌শোক্‌ খুৎফংনরবগি
ভুবি চিঙ্‌লেল্‌ নোংত্রেন্‌ খোম্ব
কোরও চিঙহয়্‌ তেন্‌গুম্‌বন
লাল্‌ফম্‌ চবুক্‌ খায়্‌ন ওৎ
লাল্‌লাউ নোংখাক্‌ চয়্‌রোইন,
চুঙ্‌লেপ্‌ হুম্ফ্‌ ব্রাংন চোং
কাওরেল্‌ শন্‌খাঙ্‌ তরা লাল্‌
থংনিঙ্‌ লৈতঙ্‌ লেংনদি
খাহি অরাক্‌ তম্‌ন নেৎ,
খুনৌ রাইফুল্‌ তান য়ান্‌,
মরাল্‌ থুম্বী মৈমাঙ্‌চল্‌,
শাইবু মৈতাল্‌ পক্ক খা,
চৎলম্‌ ফান্‌শাং য়ান্‌খায়্‌ন
কাঙ্‌থং কাংজাই তম্‌ন থুগাহরে।
খাহি লান্‌জেন্‌নবশিংবু
চিঙ্‌দ কান চেন্নবসুঙ
মাউবী পোঙ্‌শঙ্‌ য়ান্‌গুম্‌[illegible]রে

য়েন্দম্ থুরাম্ শোইগুম্ শোইনরে।
তম্দ পাংন চেন্বন
য়েন্নাউ তান্গুম্ তান্নরে।
খোইম নারোনুন্নুংদ
শাম্ব্-প্-লম্ব কাওখুন
লাংবল্ লওরক্ চঙ্ব্ কাও
লোইমোম্ তোঙ্শঙ্ শন্গুম্
অফং অফং রৈনরে।
লাইজ ঈদ চেন্বম্নুঙ্
লৈম্লৈ ফাগুম্ ফানরে।
খাহি পূম্ন সিফানীক্
মংগল্ নাফ নীক্লবগি
চেঙগয়্ ঙাকয়্ চাইখায়্রে।
চূঙ্গোয়্ পৌদোং য়ান্ন লোক্,
টিমেল্ চূম্খুল্ শান খোম্,
থাঙলেল্ মপৈ মপৈ খোম্
খূৎশূ খুৎলাই মশিঙ্ গু,
নোংমৈ মশিঙ্ থিঙম্দন
খোম্নক্য়ে হায়্দবরা ?
হুয়েল্ লাল্ফারক্পাদি
খাহি চিঙ্গ্রং মনিংথৌ
পারা মনি হয়্নিংথৌগ,

নোংগ্রাং নোংচেল্ মনিংথৌ
চিলসিং চিঙ্শাং লাল্হৌবগ
খাহি লৈবাক্ মনিংথৌ
চৌবরসিং অথৌবগ
অহুম্-মকুন ঙম্গচিংন
খাহি চিঙ্শাং মরোল্ হু,
খোইম পুংফাই ফৌথারোয়্,
পান্ফুক্ পান্ফোই চারোইরও,
চুম্লাং চাচিল্ চুক্চাক্লও,
তড়া চা ওইনবগ
হুয়েল্ লাল্বুম্ চাম শু
চঙ্ন কাইন হুল্লকলে।
খাহি লাল্শোক্ অকন্ব,
লাল্ফম্ মৈশা লাংলম্ব,
মৈবী তাঙ্গোই পাইরম্ব,
হুমাং লৈরিক্ কারম্ব,
লাল্ফম্ মৈশা লাংখিদ্রে।
খাহি মনিল্ নাইখিদ্রে।
লান্গি ঈরাং লৈখিদ্রে।
শাহিং পাম্ব লম্শান্
খেকন খেকন খোংলম্ব,
লাংজ্যা লম্হুয় খেকলম্ব

খাহি লৈবাক লাঙ খিদ্রে।
খম্নুং লৈবাক্ পান্দম্গুম্
মপাল্ থোক্প কিনরে।
নুপী অঙাং কপ্ খিদ্রে।
মিপাইবন খগৎখে।
মপা মচা কায়্নব,
মপুরোয়্বা শেৎনব,
মোম্সু নুজা অপুম্ব,
মিৎসনা খম্বাল্ মান্বদ
তরঙ্ লাইজ ঈরা চেল্,
খম্মোয়্ স্থুংদ পোম্থুন
অরাব মপাল্ থোক্নত্রে।
খাহি লৈবাক্ অপুম্ব
উহল্ লাংদ থুবগুম্
তৌকম্ খঙ্দন লৈখরে।
কোরওহন্বন কাবগুম্
কৌব লংব থুম্খিদ্রে।
পোইরে মৈতৈ ভেজোন্ন
লাল্গম্ ময়াই কাবন
অনী কংলে চিন্‌লোয়,
অহুম কংলে মায়্‌য়োয়
তৌব গুম্ব মতিঙ্ উৎ,

মহৈ মহৈ থাগৎনৈ।
পোইরৈ মৈতৈ মনিংখৌ
চিঙ্‌লেল্ নোংজ্রেল্ খোম্বন
পোইরৈ ভেঙ্গোল্ লঙ্গী
নিংখৌ পূক্লিং খোয়্‌দাব
অচোম্‌চা লুৱাংবদ
নিংখৌ কোলোয়্ মেল্লকৃই।
"ভয়ুম্ অচোম্ লুৱাংব-ও,
পলেম্ নমা ৱাংঙম্‌লোন্
চিরোম্‌ছু লিন্‌গোইশুংগি
নাউনৌকব ঈতাইরেম্,
লাইরেল্ ঐগ নহাকৃক
অখোম্ লাংমৈ ওন্‌মিন্‌ন
য়েন্‌বী শারোয়্ হুন্‌বদ
থিকৃক্রি লাল্লাউখোল্ অকব,
হুংঙা মীকৃপ্‌খোল্ তাবদ
পূক্লিঙ্ নাচুংদব নঙ্‌দি
থাহি লৈবাক্ মনিংখৌ
চৌবরসিং ফাব কৌরসি।
লাইরেল্ কোম্লোয়্ ঈম্বিন
তুবি চিঙ্‌লেল্ নোংজ্রেন্‌খোম্ব
ধর্ম্মপুর চিঙ্‌শাং রাম্ব,

খাহি তেঙ্গোল্‌ চনেং য়াস্ব,
পূঙ্‌শাই থৌমল্‌ লাংদ্র খৌশ্বব,
নূঙ্‌ঙৌ চিঙ্কুলাইবক্ক থৌথোংব,
লাইজ ঈঙ্কৌরোক্ত শান্দেংব,
খাহি তেংনৌ য়োংগুং পূঙ্‌দ
চরৈ ফিরাল্‌ থেংনবু
খাহি লোইচন্‌র কৌম্নে।”
অস্থুম্‌ মিংথোল্লবগ,
খাহি নম্‌দ জুল্‌ম্মলে।

অহুম্শুব শক্দূপ্

থাহি লান্‌ফম্ লোইরক্লে
শোরা পুন্‌শি মপুঙ্‌য়ায়্‌গি
কম্পানি তেঙ্গোল্ য়ৌনব
চিঙ্‌খৈ লৈনা হুন্‌হুন
য়োয়্‌ময়ায়্ সনা খোম্মদোন্
সুমিৎ খিংখিং কারবদ
পোইরৈ মৈতৈ তেঙ্গোন্‌গ
লাইরেল্ মৈতৈ নিংথৌন
থাহীশ্বর মনিংথৌ
চিঙ্‌শাং রাপীহয়্‌হৈব
চৌবরসিং অথোৌবগ
নোংগ্রাং নোংচেল্ মনিংথৌ
তিল্ল চিঙ্‌শাং লাল্‌থৌবগ,
থাহি চিঙ্গ্রং মনিংথৌ
পারমণি হয়্‌নিংথৌগ,
লান্‌জিংলেল্ অহুম্‌নচিংন
হুয়েল্ লাম্‌বুম্ চামধু
তুবি শমু মাঙ্‌দ থা,
কাওরেল্ শমু হোইবগুম্

খাহি মাঙদ হোইরগ
গ্রাণ্ট স্কট সাহেব অনীগি
শমু খুৎত শিন্নরে।
সাহেব হরাউ মথোই তোং
তুবি শমু মথুদোন্
নোংপোক্ ব্বায়রং লৈগুমৰ,
হুয়েল্ লাল্‌বুম্ চামবু
সাহেব ফিগাও শান ওক্,
চৌকি সনা তাঙবল্ থান
সালাম্ তৌন ফম্‌হল্লে।
স্কট সাহেব অথৌব
কোলোয়্ মেঙন পাউমেল্লি।
"পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল,
তুবি চিঙলেল্ নোংত্রেন্ খোম্ব
গম্ভীরসিংহ নহাকৃকি
লাল্‌শোক্ পঙ্ংে খোল'সিদি
হস্তিনা লৈকোয়্ ফম্ব
ধর্ম্মরাজ নিংথৌরেল্গি
মশানৌ ব্রায়্‌মব
পার্থ অর্জুন পাজন্‌বগি
হুয়েল্ লান্‌শোক্ পোন্‌গুম্বই।
তুবি খোঙগাও লান্দা খোল্

চিঙ্লেল্ লৈকিম্থগুম্ববু
পুক্লিঙ্ শোংকি চঙ্বগি
খাহি চিঙশাং থন্খ্রব
খুঙ্গঙ্ তরা মাপন্ন
সাহেব ঈখোঙ্ খাদদি
পুক্লম্ খাজঙ্লবনি।
ব্রায়্র শানিঙ্খাক্ লৈহৌরি।
পোইরৈ সিফাই চামদং
হুয়েল্ লাল্ ঙাক্হন্বিখো।
লাইরেল্ মৈতেংঙু নহাক্ক
কম্পানি সাহেব ঐখোয়্গ
শিলোট মপূঙ্য়ায়্ য়ৌরসি।
তুবি নঙ্গি নথৌজাল্
লাইরেল্ নরল্কুদগি
লাল্ফম্ ঈমায় পাক্পগি
পুক্লিঙ্ মুংঙাই থোইজরে।
ফিরিংজি সাহেব অপুম্ব
হয়াও মথোই তোংহুন
মুংঙাই মরাং কায়্ঙৈনে।
অসুম্ পাউমেন্নরবগ
লাইরেল্ কোলোয়্ ওন্তেরক্
মচেং হল্লুরাইরক্লে।

শোরা পুন্শি মপুঙ্য়ায়্গি
লাইরেল্ কোলোয়্ মশংগাই
শংগাই মুংলাংপান্দ রাইথুংলে।
ঈরু শাস্তেং লোইহুন
তড়া লুক্তংম হারগ
খাগি ফরাংজি পাক্ন থা
চরৈ তুনান্ ফিভৌ থক্ত
লাইবেল্ ফম্ফম্লবগ
লাইরেল্ মহী শাংবু য়েং,
ফম্দৌ মঙাইরোয়্শিংদ
কোলোয়্ মপাউ মেন্খি।
"ঈদাইরেম্ অচোম্চা লুরাংব
লাইফম্ শঙ্লেল্ তেংমাইথিন্ব,
ব্রাহ্মন্ শাগৈ-লক্তগি
গুণ কম্পু ঙমজিবগ
নবিঙভান চিংহুন
সিফাই চাম ভাইরোয়্নন
হুয়েল্ লাল্দোল্ লোম্জ্রিব'সি
হুয়েল্ লাল্দোল্লোম্লগ
নরাল্ ওস্তেরক্-ও।
লাইরেল্ ননিংথৌ ঐদি
পোইরৈ তেঙ্গোল্ ভাইরোয়্ন

শিলোট মপুঙ্য়ায়্ য়োরগে।”
অসুম্ পাওমেন্নহন
লুৱাংব গুণ অনীবু
সিকাই চামগ থনম্লে।
তুবি চিঙ্লেল্ নোংত্রেন্খোম্বদি
লাঙ্গোই শামু মখুনেৎ,
লাল্কম্ য়াইকথোইব শাগি
তাঙ্জ লুরেল্ থক্ত তোং
পোইরৈ তেঙ্গোল্ পুন্নখোল্,
ৱাংঙম্ লাম্মী পুন্ন পুন
কম্পানি সিকাই পুন্নমকসু
গ্রান্ট স্কট অনী ঙাইরোয়্ন
থোংনাং য়াংলো লম্দাং শিৎ,
সোরোক্ লম্শাং পুম্থন্ থন্,
পোইরৈ তেঙ্গোল্ মরাঙ্ হও,
কম্পানি সিকাই মনিল্ নাই,
শিলোট মপুঙ্য়ায়্দ ৱাইথুংলে।
ইন্দুং নোংপোক শোইমায়্ হাং
লৈমুরাব মশোং চাউ
লৈহৌরাব মঙাল্ নাই
হুমিৎ ক্ষেন্ কায়রুবদ
কুচু চৈরাপ্ ঋায়েন্শঙ্দ

দরবার রাজ্যানববু
রারম্ মতোল্ লোম্দরে।
জেনেরেল্ স্কট সাহেবন
চিন্‌গোয়্ মপাউ মেন্‌লক্‌ই,
"পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল্
চিঙ্‌লেল্ নোংত্রেন্ খোম্ব-ও
হয়েং কোরও হুমিৎত
অয়ুক্ পুঙ্জা তরান
রাংলেল্ পুঙ্গোয়্ লেপ্‌লিঙৈ
তুবি নঙ্গি নরাল্‌য়্যায়,
কোলোয়্ শঙ্গাই য়োরক্‌কে।
পোইরৈ মুংখা শম্জিল্ চিল্
পাক্‌লোই ভাংজ খেম্দাইয়েৎ,
নিঙ্খম্ চারি খম্ন শেৎ
লাংগোই শগোল্ তোংববু
মিৎয়েং শানুখৈজনিঙ্ই।"
সাহেব মপাউ তারগ
লাইরেল্ কোলোয়্ ময়াঙং
চিঙ্শাং খোইরেল্-হীগুম্বন
"সাহেব কোলোয়্ নপাউমেন্
করে" হায়্‌ন পাউখুম্জম্মে।
লাইরেল পোইরৈ মিংথৌছি

তুবি মহীশাং ঙাইরোয়্‌ন
ফম্‌দৌ মঙাইরোয়্‌ পুন্ন হও
থিংলৌ নিঙ্‌ন তেরকুলে।
ইন্নুং কৌব চিঙন্নুং শোয়্‌
সোরা তৈন ওল্লবদি
য়োয়্‌ময়ায়্‌ লাইরেল্‌ তাউদন্‌ব
মুমিৎ সনা খোম্‌মদোন্‌ন
শেল্লোয়্‌ লংমাই লংব চিঙ্‌দ
তরং তরং লংলকপদ
লাইরেল্‌ তুবি মৈতেংঙ্‌ন
কোলোয়্‌ মপাউ মেন্‌খিয়ে।
"ঈদাইরেম্‌ তান্‌জৌ লাইশ্রম্‌চা
শ্রীনীলমনি খাইথিব
কুঞ্জসিংহ কাংঙবম্‌ চা
তন্‌ব নখোয়্‌ অহুম্‌দি
লাল্‌পোৎ চরৈ মশিঙ্‌শু,
পুন্নুং ফ্‌রিৎ মঙাল্‌ নাই,
মুংখা শম্‌জিল্‌ চিল্লগ
পাক্‌লোই ঙাংজ থেম্‌দাইয়েৎ,
নিঙ্‌খম্‌ চারি খম্‌ন শেৎ
লাংগোই শয়াঙ্‌ থক্ত ফম্‌
টিমেল্‌ খাঙ্‌তপ্‌ চেৎন পায়্‌

আরাম্বাই চেপ্‌খেৎনন
কোঙ্গল্‌ লুক্কক্‌ তাউনদি
খূৰ্জী শোংয়া চেৎন নম্‌
খূনেৎ নাকৃথং খোঙ্‌গাওন
রোমাসিং ঙাইরোয়্‌নন
স্কট মরাল্‌ লোল্‌য়ুম্‌য়ায়্‌দা
মৈতৈ লাম্মী ব্রাইথুংখ্রে।
রোমা হঞ্জব উবদ
সাহেব মপাউ হংলকৃই।
"হে রোমাসিংহ হঞ্জব-ও,
লাকৃলবরা নখোয়্‌দে ?
লাংগোই খোঙ্‌ওইনরকৃপ
তন্‌ব নঙ্‌খোয় কয়ানো ?
সাহেব কোলোয়্‌ ময়াথংগি
রোমা পাউথুম্‌জরকৃয়ে।
"হোয়দা, জর্নেল সাহেব-ও,
লাংগোই খোঙ্‌ওইনরকৃপ
তন্‌ব নীপা অহমনি।"
রোমা মপাউ তাবদ
সাহেব মিৎকোয়্‌ চিংনয়েং
মীনোক্‌ খোঙ্গেল্‌ চাউন নোক্‌
পূক্লিঙ্‌ হরাউ মখোই তোং,

ঘড়ি পুঙ্শিং য়েংববু
পুঙ্জা তরা তারম্লে।
পুঙোয় মতম্ য়ৌরবগি
রোমাসিংহ হৃপ্তবদ
সাহেব মপাউ মেল্লক্য়ে।
"হে রোমা লোঙ্জাম্ব-ও,
পুঙোয়্ মতম্ য়ৌথরে।
লাইরেল্ কোরও ননোংথৌন
চিন্গোয়্ পাওমেন্নববু
পুঙ্জা মতম্ থেঙ্লগনে,
মরাল্ থৌচংনবগি
তান্জৌসিং লাইশ্রম্চাবু
থিংলৌ নিঙ্ন তেনদি
লাইরেল্ সনা মখোঙ্দ
ফিরিংজি স্কট সাহেবমু
মরাল্ থৌচংলক্হৌরে
কোলোয়্ পাউহল্লুরসে।"
সাহেব কোলোয়্ মতুংইল্
তান্জৌসিং লাইশ্রম্ চাদি
লাংগোই খুরূপ্ য়াঙ্ন থও
থিংলৌ নিঙ্ন তেনদি
লাইরেল্ সনা মখোঙ্খাদ

সাহেব মপাউ তম্জরে।
তান্জৌ মপাউ তাবদ
সিফাই খুদোং খিন্কাপ্লোয়্,
কম্প্নি লাল্লোয়্ অপুম্ব,
লাল্পোৎ চয়ে মিৎকোইথোং,
কৃত্তি ফৃরিৎ মঙাল্নাই,
তুবি কোল্লোয়্ মঙাল্নাই,
কোল্লোয়্ শঙ্গাই সুংলাংপান্গি
সোরোক্ য়াংলৌ লম্জাউ ফাও,
কাণ্ডপ্ মায়্ফং পরেংশা
লাইরেল্ মৈতৈ নিংথৌসু
তুবি থাঙ্লেল্ মথুৎফা
খাহি খুল্ঙম্ থোঙ্দ্রুদ
সাহেব লম্ওক্নখরে।
সাহেব খুজেং হংজিলাক্
শমু পাল্লোয়্নদ্রি
দলাল্ থোঙ্ব্রাইরক্ত চঙ্খে্র।
সনা তাংবুল্ মথক্ত
য়েৎক ওয়্গ কম্কম্লে।
সাহেব চিন্গোয়্ ম্রপাউমেল্
চিঙ্শাং খোইদরেল্ হাওম্ন
চীকুন পাওমেন্জরকুয়ে।

"সাহেব ঈখোয়্গি মক্লপ্লোয়্
গম্ভীরসিংহ নিখৌরেল্-ও,
হন্দক্ সাহেব ঈখোয়্গি
ছুয়েল্ লাল্শোক্ অল্লাব
লাল্ফম্ ল্লামৈ চাক্কুম্বদ
ল্লাজা সাহেব নহাক্ন
থৌরৈ তেম্বাংলব'সিদি
উন্বী পুক্লিঙ্ মুংঙাইথোইরে।
বিলাত ঈরৈবাক্তুগ
পোইরৈ সনা লৈবাক্ক
লৈবাক্ অনী অসীদো
পাংখক্ ওইন লৈরেদো।
পোইরৈ সনা লৈবাক্কি
পোৎলম্ লৈব খৈবিক্পু
সাহেব ঐগি লৈবাক্ত
ননিঙ্ তৌন য়োল্হল্লো।
বেপার ললোন্নবসে।
তেখাও-ময়াং চাট্রিগাও
হায়্রিব অহুম্ অসিদ্দি
সাহেব ঈখোয়্গি লৈবাক্নি।
শেন্বী তেখাউ মপুঙ্ম্রায়্,
খোংনাং ঈরৈবাক্ অসিদ

ব্রায়্র শাথোঙ্ অরুম্ব
হুয়েল্ লান্থোঙ্ অচৌবা
লাল্নংলব মতম্দ
তুবি নহাক্ লাকন
থৌরৈ তেম্বাংবিরু-ও।
পোইরৈ সনা নরৈবাক্কি
ব্রায়্র শাথোঙ্ অরুম্ব
হুয়েল্ লান্থোঙ্ অচৌবদ
সাহেব ঈখোয়্ ঈশামরু
হুয়েল্ লাল্ পাংলউনে।
ব্রারম্ মতম্ অমন
ঔব্রা তোঙ্দোই মনিংথৌ
পুথম্ লৈকোয়্ ফম্বগি
সীমানা মরম্ খৈদ
কেল্লা কন্না শারু-ও।
খাব্রল্ লান্শোক্ অরুম্ব
ব্রাংবল্ লেল্হৈথগুম্ববু
লাল্শোক্ মায়োক্ য়ানব
মেগজিং মশিঙ্ থিঙমদন
কম্প্নি ঈথোয়ন পীগনি।
নরোয়্ভরাল্ থৌংনবগি
মেগজিং হিদাক্ অদুদ

রাজ সাহেব নহাক্কি
হিদাক্ নয়নাই ওইগনি।
রারম্ খোরম্ অশুম্ব
হয়েং মতুং খোক্পদ
লেঙ্দব খুদম্ ওইনব
লাইরিক্ ওইনা পীরক্কে।
জেনেরেল্ স্কট সাহেবন
চিঙমুং খোইরেল, হীগুম্ব
কোলোয়্ পাওমেন্নরিঙৈ
পাংগল্ মনিন্ নাইবন
লাইরেল্ পোইরৈ নিংথৌদ
কোলোয়্ পাওহংজরক্ক্য়ে।
"লাইরেল্ কোরও ঈনোংথৌ
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল্-গু,
নখোয়্গি চিঙঙ্ মপুরেল্
জগন্নাথ লাইমরুগি
রথযাত্রা কুম্মৈগ
পাংগল্ থয়্নক্ ঈখোয়্গি
ইমাম লাইগি কুম্মৈগ
কুম্মৈ অনী কাংনরে।
লাইরেল্ নঙ্গি লাইগি থো
রথযাত্রা অচৌবম্

কোরও নোংম য়েথোক্পিয়ো।
নদাইরেম্ পাংঙল ঈথোয়্গী
ঈমাম্ লাইগি কুম্মৈদি
কোরও নোংখুম্ম হেন্ফদ
রাংলেল্ পুঙ্থায়্ম রাৎফদে।
লাইরেল্ নোংদম্বিরক্-ও।"
অসুম্ পুনেম্জববু
লাইরেল্ তুবি মৈতেঙঙু
গাম্ভীরসিংহ নিংথৌরেন্ন
অসুম্ হায়্ন পাউথুম্খি।
"মুসল্মান্ মনিন্ নাইব শা,
জগন্নাথ মপুরন্গি
রথযাত্রা কুম্মৈসিদি
কোরও মশিঙ্ ককপনি,
মতম্ ক্ষেন্ফম্ লেপ্পনি।
লাইগি থৌ লেঙ্ফদবনি,
অতুন পাংঙল্ নঙগি
ঈমাম্ লাইগি কুম্মৈদুম্
কোরও নোংম্ য়েথোক্সি।
জগন্নাথ মপুরেল্দি
আল্লা মপু মহাক্নি।
ঈমাম লাই কুম্মৈ অসীদি

কুম্‌জা খুদিঙ্‌ মহোংই।
হোংবগি হোংব মহোংসি।
হিন্দু ঐগি কুম্মৈস্থু
মুসল্‌মান্‌ নঙ্‌স্থু য়াওবিয়ু।
ইমাম্‌ লাইগি কুম্মৈস্থু
মৈতৈ ঈখোয়স্থু ময়াওগে।"
অস্থুম্‌ পাওমেনুজববু
ফিরিংজি স্কট সাহেবন
অস্থুম্‌ য়াথং তাকুলকুলে।
"মৈতেঙঙ্‌ রাজ নিংথৌরেল
রথযাত্রা কুম্মৈ অচৌবা
লাইরেল্‌ নঙ্‌গি নথৌগল্‌
কোরও নোংম য়েথোকসি।
মুসল্‌মান্‌ মনিন্‌ নাইবগি
ইমাম্‌ লাইগি কুম্মৈ তৌস্থনো।"
ৱারম্‌ অদু তারদু
লাইরেল্‌ তুবি মৈতেংঙ্‌
চিঙ্‌লেল্‌ নেংজেল্‌ খোমুবদি
মরাল্‌ হরাই ওস্থরকলে
মৈতেংঙ গম্ভীর সিংহদি
মতাইরেম্‌ পোহরে পুম হও
ৱাংঙম্‌ পুম্ন তিনস্থন

নূপী নহা থাক্কন
হন্নু-হন্‌ব লেংন তিল্
ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব ঙাইরোয়্‌ন
ব্রাহ্মণ লাইওইনবন
চিঙঙ্‌ সনা থৌগল্‌ তৌ
পালা অশৈ পরেং শক্
চিঙঙ্‌ কোলোয়্‌ মিংলেল্ শোন্
উনৌ খোংজা পরেং শম্
থওরী মিতম্ চিংনবু
রথযাত্রা কুম্মৈ হৌখ্রে।
মুসল্‌মান্‌ মনিঙ্‌ নাইবন্নু
খুল্লক্ মীয়াম্ হওরক্‌লে,
পাংঙল্‌ 'পূম্ব পূম্ব তিল্‌
তাবুল্‌ চিঙঙ্‌ লেংদ থোং
পাংঙল্‌ থবাক্ লোংন য়া
ঙক্‌শম্ তোংদম্ হাইহুন
ইমাম্ লাইমিং শৈশকন
আল্লা কোলোয়্‌ মিংলেল্‌ শোন্,
ঙক্‌শম্ খুদুম্ নময়্যৈন
ইমাম্ লাই কুম্মৈ অচৌবা
মিংখৈ শোন্‌ব হৌখরে।
ছিন্দা-মসল অনীগী

চিঙঙ্ অনী মায়োক্ন
খোয়্ম্ মশেল্ খম্থেংন
সোরোক্ য়াঙ্বী মথক্ত
শয়েঙ্ মশেল্ থয়্নরক্
পান্থোম্ মশেল্ ঙানরবদ
লাইরেল্ তুবি মৈতেঙঙ্
খরঙ্ চাক্রাই থৌগুম্বদি
তুবি শয়েঙ্ পাম্রোম্ নান্
ফৈরা তান্বুম্ ফ্তুন"
থাঙ্শা মতম্ পান্থুম্ন
"থোন্ত্রিসিংহ চানম্ চা,
থিংকুরা নোংয়াইব সিং
জয়সিংহ অসেম্ চা
জয়্ হে শম্জেং শাব
মেঘসিংহ থাঙ্জব
নীলমনি ফৌগয়্শঙ্ব
নখোয়্'পুন্ব কৈন্দৌরি ?
মুসল্মান্ চবুক্ ওংন
কয়্থেল্ চরাং পাইবগুম্
পাংঙল্ লম্হেন্‌র থুগায়্রো।"
নিংথৌ খাম্বং তাবদ
পোইরৈ লৈবাক্ অশুব,

মতোম্ ম্তাম্ চোংথোকলে
পাম্ব শারাক্ থোক্লগুম
মপা মপা চোংশিন্লে
পাংঙল্ নিংঙাই চাউবগু
চয়্বুল্ খুত্ত শুদুনা
কাঙ্দেল্ কৈনা হাইদুনা
অঙম্ অঙম্ থৈনরে।
লাল্গি মৈথু কোকুত্রিব
মৈতৈ লাম্বী অম্বুরু
লাল্গি ময়াই কাবুনা
মৈতৈন পাংঙল্ লাকচরে
অরাক্ তমন থুগাইরে।
কাওরেল্ শল্য়াম্ তান্নগুম্
মায়্কৈ খঙ্দনা তান্নুরে।
পাংঙল্ হকচেল্ হাপ্লেন্না
চরাং মশা পাইদুনা
খোঞ্জেল্ লাউদুনা কপ্লুনা
মায়্কৈ মরি চেন্নরে।
গম্ভীরসিংহ অমিংথোকলে
হরাউ পোম্লদুনা খোঞ্জেল্ লোক্লদুনা
পোইরৈ মীয়াম্ লোয়্নদুনা
জগন্নাথ লাইবুংথিদু

থৌগল্‌ মতোল্‌ লোম্‌খে।
হিন্দু অপূম্ব হয়াউরে।
শ্রীজগন্নাথ দেবগি
মনাই পান্দা অপূম্বন
ক্ষেত্রি ধর্ম্ম ঙাক্‌পগি
শ্রীগোবিন্দ লাইমক্সবু
হন্‌ন হন্‌ন খুরুম্‌খি।
চিঙ্‌লেল্‌ নোংত্রেন্‌ খোম্‌ববু
ভক্ত নিংথৌ কৌনখি।
লাইরেল্‌ পোইরৈ নিংথৌদি
কাংগি কুম্মৈ অচৌববু
মতোল্‌ লোম্‌ন তৌরবগি
লৈবাক্‌ মীয়াম্‌ লোয়্‌নন
মণিপুর সনা লৈবাক
তুবি খোঙ্‌খাম্‌লকে।
পোইরৈ তেজোল্‌ ভাইরোয়্‌র
লান্‌ঙম্‌ ফিরাল্‌ মাঙ্‌দ খা
পোইরৈ তেজোল্‌ মরাঙ্‌ হঙ
রাংঙম্‌ লান্‌লৈ মন্দির্‌ মাইন
মরাল্‌ ওন্তেরক্‌পন
জলালপুর কৌরক্‌লে।
জলালপুর লৌনা

সোরোক্‌ ঙাংলৌ ময়ায়্‌দ
তুলরাম লৌশিংবন
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌগি
খুয়া খাদ হঙ্গৎচৈ।
"লাইরেল্‌ কোয়ও ঈনোংথৌ,
কাছাড় লৈবাক্‌ অসিদ
ননাই খুল্লেপ্‌ ওম্‌দরে।
কাছাড় খুল্‌ শেম্‌বিরম্‌-ও।"
অসুম্‌ পুরুম্‌জবগি
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌন
উন্‌বী পুক্নিঙ্‌ মুংশি চঙ্‌,
ময়াং খুন্‌শেম্‌বিগে হায়্‌ন
ফোলোসিংহ অহঙেম্‌ চা
লাংজেং মথোক্‌ লক্‌পবু
পোইরৈ সিকাই ঙাংথৈগ
কাছাড় খুল্‌ শেম্‌ননব
তুলারাম্‌দ থনম্‌লে।
মৈতেংঙ্‌ গম্ভীরসিংহদি
পোইরৈ জেক্লোল্‌ অচৌবদ
অহিং অয়া লম্‌দম্‌দ
মুংখিল্‌ অয়া লোখাবদ
চিঙ্‌লেন্‌ নাপোম্‌ মুরুং মা।

ঈরোক্ লাইচম্ কান্নন চোং
লোইবী চিঙ্‌শাং কৈতুপ্ লায়
পোইরৈ তম্পাক্ তারক্লে।
বিষ্ণুপুর য়ৌহুন
শ্রীবিষ্ণু লাইমরুগি
মখোঙ্ থম্বাল্ লৈখোঙ্খাদ
খুবাং চাংজৌ চেপ্প লোয়
খুরুম্ খাজঙ্লবগ
পোইরৈ কোন্নুং তাল্লক্লে।
লাংথবাল্ কোন্নুং চঙ্দুন
সনা শঙ্গাই য়ৌখরে।
শ্রীগোবিন্দ লাইমরু
রাসেশ্বরীন থোগলব
নন্দ নিংথৌ মপারি
যুগলব্রহ্ম মপুরেলবু
থব্রায় হক্চাং কৎতুন
খুবাং চাংজৌ লৈতান
চেপ্প নোন্নন খুরুমলে।
শঙ্গাইদুংদ লেঙ্শিল্লে
তাংবল্ থক্ত [illegible]।
লাইরেল্ মাখি [illegible]
পোইরৈ [illegible]

লাংজেং মথোল্লকৃলিবা
নরসিংহ অথৌবগ
পোইরৈ লৈবাক্ কোইবগদ
নিংথৌ থৌজাল্ শিন্ন খুংন
থাহি লাল্শোক্ অন্নম্,
লান্কম্ মৈখু মরকত
লানজঙ্ চয়রং লৈতন
লাল্কম্ য়াইফররুপ খাবু
চীরু পাউতম্নখিয়ে।
লিক্লাই মাগি মশানৌ
পোইরৈ সেনাপতিন
কোলোয়্ মেঙ্ন হুজংচৈ।
"লাইরেল্ কোরও ঈনোংথৌ
তম্ফা য়াইরং চান্‌শুম্ব-ও,
তুবি নতিক্ অরুব
লাইরেল্ নপা অয়াবগ
ঈয়্ লাইরেল্ মৈতৈংঙ্
নোংতা লাইরেল্ পাথংব
চিঙঙ্ মাগি মরল্‌কুল
শ্রীগোবিন্দ মথৌজালগ
লাল্কম্ য়াইফররুপসে
উন্থী পুন্নিঙ্ হুত্তাইয়ে।

ফ্রিংজি সাহেব মখোয়্সু
উন্বী পূক্লিঙ্ পেন্ঙৈনে।”
অসুম্ পাউমেন্নরগ
মরাল্ থোৌগুম্নখরে ।
থুবি মাগী মহীশাং
লাইরেল্ ফম্দো মঙাইরোয়্
অঙম্ অথৌ অপুম্বন
মরাল্ ওস্তেখ্রবদ
লাইরেল্ কোরও ঈনোংথোৌদি
সনা শঙ্গাইন্নুংদ চঙ্
য়োয়্বু মশানৌ অহেম্বী
পোইরৈ মৈতৈ লৈমগ
য়োয়হে শল্লাই মঙাম
কাইবী চিল্ওল্লাং
লৈন্নুং পোস্তা ঙাগুমবী,,
শিঙ্লেল্ লৈরাংগুম্বীশিংবু
থোৌজাল্ শিম্ব থুংনদি
চিন্গোয়্ পাওমেন্নখিয়ে।

মরিশুব পন্‌দূপ্‌

লাইরেল্‌ কোশোয়্‌ ময়াথং
তাঙ্‌জ লুদ থোংহ্নন
থাহি মপুঙ্‌য়ায়দ লৈহৌব
মদাইবেম্‌ লুব্রাংব অচোম্‌চা
লাইফম্‌ হাওশি ঙম্‌জিংব
শঙ্‌লেল্‌ তেংমায়্‌ থিব্বস্নু
ব্রায়্‌ব শাগী শানিঙ্‌থাক্‌স্নু
ব্রায়্‌ব শাদোল্‌ লোম্‌লক্লে।
হুয়েল্‌ লাল্‌গি লাল্‌থাক্‌স্নু
লাল্‌দোল্‌ লোম্নবগিবু
মরাল্‌ থিংলৌ নিংন তেন
মচেঙ্‌ হল্‌ব্রাইরক্‌লে।
লাইরেল্‌ সনা মখোঙ্‌থাদ
পোইরৈ তেঙ্গোল্‌ ব্রাইথুংলে।
থাহি পুক্লিঙ্‌ অনোন্‌ চঙন
ক্লিংজি সাহেব লল্লোন্‌বদ
তড়েং লল্‌য়াম্‌ পীন লোইহাবা
কম্পানি পুক্লিঙ্‌ হব্রাউব্রাবু
লাইরেল্‌ সনা মখোঙ্‌থাদ

লুব্রাংব পাত্তিদম্জথরে।
খাহি লাল্শোক্ লোইবগি
অঙম্ব কোন্শোয়্ তান
নিংথৌ পূক্লিঙ্ ন্যুংঙাইরে।
মনা মথিল্ পীবিরে।
ময়াং তম্দ লৈহৌব
কাছাড় খুল্শেম্বিহৌব
লোইয়ম্ ব্রাংঙম্ অহম্মেম্চা
ফোলো লাংজেং মথোক্লক্প,
তুলারাম্ পায়্ম লৌশিংব
অকোক্শাবু খোম্জিন্তম্,
কাছাড়ীবু তিন্শিন্ তম্,
শিংজরক্কি খোম্জিন্ব
ঙাঙ্জরক্কি তিল্শিল্লগ
অকোক্শা খুল্লিংহৌন
কাছাড়ী খুল্ শেম্লগ
মচেঙ্ হল্ব্রাইরক্পন
মৈতৈ কোন্মুং য়োরক্লে।
তুলারাম্ লৌশিংবন
লাইরেল্ মনা মথোঙ্খাদ
খুবাং চাংজো তরা লোন্
মালেম্ খৈদ তান হল্লক্তে।

"লাইরেল্ কোয়ও ঈনোংথো,
পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেল
নতাইরেম্ কম্পু ওম্জিংব
ফোলো অহঙ্গেম্ চান
কাছাড়ী খুন্ শেম্বিরম্ব
লাইরেল্ নখোজান্‌গিনি।
তুবি নতিক্ অচৌব
লাইরেল নগুণ অহক্পধু
করম্ তেংথাক্লসিবনো?
পোইরৈ নিংথৌ নহাক্তি
খোইয়ূম্ লাই শংশংবনে
নমু মীবু নঙ্গেয়ে।
নদাইরেম্ ময়াং অপূম্ব
উন্‌বী পূরিঙ্ পেয়দি
ময়াং খুন্তাজহওরে।"
অসুম্ পাওহম্জরবদ
মদাইরেম্ অথম্ মীপোক্প
অথৌ লাংগোন্‌বশিংবু
তন্‌ব মতিক্ মতিক্ য়েংন
নিংথৌ মনা মথিল্ পীন
খোজাল্ লল্‌হুবিখিয়ে।
লাইরেল্ পোইরৈ মৈতেংঙ্

তুবি চিঙ[illegible] নোঃ[illegible]েন্‌ [illegible]
তুবি শমূ হ[illegible]ং[illegible]
শেন্‌বী চিক [illegible] [illegible]
রায়্‌র [illegible] নোঃদস্থ
মালং [illegible] কাণ্ডমর
হ[illegible] [illegible] রোঃধর
হুমিং [illegible] লোচ্‌ণ্ডমব
লাল্‌কম্‌ শো[illegible] [illegible]
শজিক্‌ লাল্‌[illegible] [illegible]
থবা লাল্‌[illegible] [illegible]
হয়েল্‌ লাল্‌ক[illegible] [illegible]
পোইরে চং[illegible] [illegible]
রাংঙম্‌ হরা[illegible] [illegible]
কং[illegible] [illegible] কাংকুম[illegible]
ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব [illegible]
দান দক্ষিনা [illegible]
পীন হা[illegible] [illegible]
চরে কিয়া[illegible] [illegible]
তড়েং [illegible] [illegible]
চিঙঙ্‌ [illegible] [illegible]
পোর্‌ম্‌ [illegible] [illegible]
পীনকা হা[illegible]

শ্রীজি-খুয়া লৈখোঙ্খা
থৌনি খাজং চয়্যেন্তুব
মৈতৈংঙু নিথোরেন্দি
থুংভাই য়াইবা মরাং কায়্নে
পোইরে খুন্নিংথৌ ওইখিরে।
তুবি চিঙ্লেন্ নোংত্রেন্থোম্ব
কোরও নোংশিঙ্ জঙ্ গুম্বগী
লিক্লাই মপারি ওইরিব
সনা কোন্দুম্ জলময়
শেন্বী কিশ্নাং কোন্মচং
সনা কোন্দুম্ তাবগুম্
চোয়্নৌ সনা লিককৃত
নাউনো কব নিংথৌয়েল্
নাউচিঙ্লেন্ নোংত্রেন্ থোম্ব
চিঙ্গুং থর্মাকলেজুব
থবা নোংত্রেন্ অহেম্,
তুবি লিক্কোয় মুক্তা য়াই,
মনিক্ থবা লিক্জহোক্
শিঙ্লেন তোম্থিন্ লৈজুব
নিংথৌ কোলোয় য়াবগী
লৌশিং নাউবা থৈমপাল্
পায়্ম শিল্লৈরোম্বগী

লাইরেল্ মপা মৈতেংও্
চিঙ্‌লেল্ নোংক্রেন্ খোম্ব
খাকৃপ নোংশিঙ্‌জঙ্ তম্বশি
তুবি থয়াঙ্ মথৌমল্
গুণ মতিক্ অচৌবগু
খিজিকৃত তেংথাজবনে।

লোইরবা



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী অরিবা লাইরিক খরা

১। খোংজোমনুবী নোংকারোল্   ২। পাম্বোইবী খোম্লল্

৩। লাংলোন্   ৪। লৈথক লৈখারোল

৫। চৈথাবোল কুম্বাবা

প্রেসতা লৈরিবা

১। শগোল্ থাবা   ২। চরাইরোংবা খুন্জন্

—থংকম—

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ

ইম্ফাল।

মনুম ঃ— কে, এম, প্রিন্টিং ৱার্ক্স, মোইরাংখোম অমহান, ইম্ফাল।